[illegible]

(মহাকবি-গীতাবলী)



অনুবাদক

[illegible]

[illegible]

প্রকাশক :—
শ্রীলোরেম্বম ইবোয়াইমাসিংহ
খাংখৈ লোয়েম্বম লৈকাই।

অহাম্ব সংস্করণ
জুন ১৯৬৭, কোপী—১০০০

মুদ্রাকর :—
[illegible] প্রিন্টিং ৱার্কস,
মোইরাংখোম [illegible], ইম্ফাল

ভূমিকা।

"স্বপ্নবাসবদত্তম্" কৌব নাটক অসি মহাকবি ভাসনা লেংব ঐতিহাসিক নাটকশিঙ্গী মরক্তা মমিং ফাওব অহান্ব নাটক অমনি। মসি ত্রিবান্দ্রম্ নাটক তম্নাহুম্দোইগী অমনি। মহাকবি কালিদাসগী 'অভিজ্ঞান শকুন্তলম্' গী মরমদা অতৈ comment পীনিঙঙাই লৈতনা মমিংত তাবদা পণ্ডিতশিংনা শোম্নব অমম্লুং থাগৎনবগুম্না 'স্বপ্নবাসবদত্তম্' সু মথন্তনা অহুমক্ ফাওজন্নবনি। মতুগী খুদম্ ওইনা ঃ—

"ভাস নাটক চক্রেঽপি ছেকৈঃ ক্ষিপ্তেপরীক্ষিতুম্।
স্বপ্নবাসবদত্তস্য দাহকোঽভূন্নপাবকঃ" ॥ (সূক্তিমুক্তাবলী)

"The Svapna of Bhasa survived exposure to the fire of criticism, when his dramas were exposed to the ordeal by experts"—Keith Hist. of Sanskrit. Lit. P. XIII.

"Some have opined from the verse of Raja Sekhara that Svapna was a rival of Bhasa's work! This needs no comment, as it is obviously absurd."

শ্রীভাস, কালিদাসগী মমাঙ্গী মহাকবিনি। মহাক অসি কালিদাস, বাণভট্ট, রাজশেখর, ভামহ, ডণ্ডীন্-নচিংবনা মমিংশোন্নরব অমস্তুং য়াম্ন থাগৎনরব—মমিংচৎলব ত্রিবান্দ্রম্ নাট্যকার কবিনি। থাইন-মমাঙৈদদি মহাক্কী মমিংত ওইনা তানরম্মী। খৃষ্টাব্দ-১৯১২ দা প্রস্তাবনাদা নাট্যকারগী নাম য়াওদব, ভাসনা লেংবনি হায়না নাটক তরাহুম্‌দোই/তরামরি গণপতি শাস্ত্রীনা আবিষ্কার তৌখি। পণ্ডিত খরনদি নাটকশিংসি মহাকবি অসিগী original production নি হায়বসিদা চিংনরি , অহুমক্‌পু, ময়াম্‌সি, ভাস অমদি মহাকবি অতৈগী production শিঙ্গী classical dramatic works গী Subsequent modifications নি হায়নৈ।

মহাকবি ভাসগী নাটকশিংসি পণ্ডিতশিংনা group তোঙান তোঙান্না থায়দোক্লম্মী। মহুদি :—

সরূপ অমস্তুং পুসঙ্কারগী মত।	দেবধরগী মত।
(ক) উদয়ন অমদি ঐতিহাসিক নাটক :—	(ক) স্বপ্ন, প্রতিজ্ঞা, অবি, চারু।
স্বপ্নবাসবদত্তম্, প্রতিজ্ঞাযৌগন্ধরায়ণম্।	
(খ) Fiction অমদি মুল নাটক :—	(খ) রামায়ণ :— প্রতিমা, অভিষেক।
অবিমারকম্, চারুদত্তম্।	

※

(গ) **মহাভারত নাটক** ঃ— বালচরিতম্, দূতঘটোৎকচম, দূতবাক্যম্, কর্ণভারম্, মধ্যমব্যাযোগম্, পঞ্চরত্নম্, উরুভঙ্গম্।

(গ) **মহাভারত** ঃ— পঞ্চ, দূতবাঃ, মধ্যমব্যাঃ, দূতঘটোৎ, কর্ণভাঃ, উরুভং।

(ঘ) **রামায়ণ** ঃ— প্রতিমানাটকম্, অভিষেক নাটকম্।

(ঘ) **কৃষ্ণ** ঃ—Legend—বালচরিতম।

অমামা ওইরবস্নু, স্বপ্ন, প্রতিজ্ঞা, প্রতিমা অমস্নুং চারু, মবি অসি মহাকবি ভাসগী শ্রেষ্ঠ নাটক্নি।

মহাকবি কালিদাসনা 'মালবিকাগ্নিমিত্রম্' গী প্রস্তাবনাদা মহাক্কী মথক্কী নাট্যকাব অহুমগী নাম্ পল্লম্মী—ভাস, সৌমিল্ল অমস্নুং কবিপুত্র।

"প্রথিত যশসাং ভাস সৌমিল্ল কবিপুত্রাদীনাং প্রবন্ধানতিক্রম্য বর্ত্তমানকবেঃ কালিদাসস্য কৃতৌ কথং বহুমানঃ"।

শ্রীভাসগী মরম্ অমদি মহাক্কী রাহৈশিং quote তৌবা ভামহ, ডণ্ডীন্, বাণভট্ট, বাজশেখর, অভিনবগুপ্ত, ভোজদেব, সারদাতনয়, সর্ব্বানদ, বামচন্দ্র, গুণচন্দ্র, জয়দেব, সাগরনন্দিন, শকুন্তলব্যাখ্যাদা থেংনগনি।

মহাকবি অসিগী রারি শাবগী style শম্মী, লায়, লেম্না ফজে অমস্নুং চংনবি ঙাক্তনি। অহুনা পতঞ্জলিগী মতমদা সংস্কৃত কথ্যভাষা (ঙাঙ্নব লোন) ওইরম্বগুম্না ভাসগী মতমদগী

ওইরম্মী হায়না খ্বায়না লৌনৈ। অতুনা ভাস পানিনিগী মতুঙ্গী অমসুং কাত্যায়নগী মমাঙ্গীনি। (350 B. C.) গণপতি শাস্ত্রীনদি মহাকবি অসিগী মতম কৌটিল্যগী মমাঙ্গীনি (4th century B. C.) হায়। অতে Indian অমসুং European scholars না 3rd century A D. নি হায়।

কলিকাতা, পাটনা, এলাহাবাদ, বেনারস-নচিংব Principal University শিংদা নাটক অসি বি, এ, (Sanskrit) দা তৌরে। অফাওব নাটক ওইবদগী 'মণিপূরী' দা লৈহল্লিংবদগী অনুবাদ তৌজবনি। য়াবমখৈ মূল কায়দনা অমসুং Manipuri colloquial সু কায়দনা হন্দোক্চবনি। লান্দব ওম্ব নত্তে মী হায়বসিদি অহুনা মহাশয় সুধীশিঙ্গী চরণদা আত্মসমর্পণ তৌজরি।

সংস্কৃত শ্লোক্শিং অয়াবমখৈ ছন্দশাস্ত্র কায়দনা ইজে; অতৈনা মণিপুরী ছন্দদা ইজে। মসিদা মণিমালা, জলধরমালা, ইন্দ্রবংশ, বিশ্বদেবী, লোলা, অনুষ্টুপ্, দীর্ঘ ত্রিপদী, শালিনী, বসন্ততিলক, ত্রিষ্টুপ্, নান্দীমুখী, বিদ্যুন্মালা, পয়ার, গায়ত্রী, লঘুত্রিপদী-নচিংব সংস্কৃত অমসুং বাঙ্গালা ছন্দশিং অতুগা Iambic অমসুং Trochaic নচিংব শিজিন্নহুনা ইজরি। মখোয়সিগী মরমদা মচা খায়না পরিশিষ্টদা ইজরি।

মসিদা শ্লোক ৫৭ য়াওই। মসিগী মপুংদা শ্লোক ২০ না মসিং লৈত্তব মনিপুরী পত্ত, অতৈনা সংস্কৃতনচিংবগী ছন্দ ডাক্তনি। অগাৎ অসি ছন্দময়নি; ছন্দ য়াওদবা কবিতা কবিতা কৌনদে

কবিশিংনা। 'মহাজন গতোযেন স পন্থা'—মহাজনগী থোঙ্গুন্ মতুং ইন্দুনা দেব ভাষাগী ছন্দদা মনিপুরী কবিতা ইজবনি। কনাগুম্বনা ভাষা অমদা অতোপ্প ভাষাগী ছন্দ পান্দুনা ইরবদি ভাষা অদুগী original ভাষা ওইদ্রে হায়না লৌনৈ অদুগা চংনদে হায়নৈ। মসিনা অচুম্ব তারবদি ছন্দ পান্দুনা মণিপুরীদা ঈশৈ শরুয়িব অসিবু মণিপুরী ওইদবা তারে। ছন্দ অমা পাম্ব কবিতা অমা ছন্দ অদুগী মতুংইন্না পাবদা Rhythm অমা হেক্তা পোক্লক্ত্না অপাবগী পুক্নিংদা মুঙাইবা অমা পোক্লকই। মুঙাইবা অদু ফংবদগী দেবভাষাগী নিয়ম নাইব ছন্দ মতুংইন্না মণিপুরীদা ইজবনি। লৌবিব-লৌবিদবদি সুধীশিঙ্গী কৃপানি। —লাগাম থাদুনা থোক্লবা অমা হেক্তা ইববুদি মহাজনগী মতুং ইথনা কৈ থন্দুনা ইজবনি।

অয়াওব অলঙ্কারগী বিচারশু পরিশিষ্টদা য়েংবিয়ু। অদুগা সংস্কৃত শব্দ, allusions, annotations নচিংবশু পরিশিষ্টদা য়াওবি। নাট্য শাস্ত্রগী সন্ধিনচিংবগী মরোল পরিশিষ্টদা য়েংবিয়ু।

মসিদা য়াওব অলঙ্কারশিং—অর্থান্তরন্যাস, উপমা, কাব্যলিঙ্গ, স্বভাবোক্তি, ব্যতিরেক, বিষম, উৎপ্রেক্ষা, বিশেষোক্তি, ব্যাজোক্তি, অপ্রস্তুতপ্রশংসা, তুল্যযোগিতা, বিভাবনা, অপহ্নুতি, ভ্রান্তিমান্, অনুমান্, পর্য্যায়, দৃষ্টান্ত অমসুং Apostrophe.

ভাষা—তৎসম, তদ্ভব, দেশজ অমসুং বিদেশীজনা তিথী মণিপুরীদা ইজবনি। ইতি।

বিনীত—

শ্রীলোরেম্বম ইবোয়াইমা সিংহ।

BIBLIOGRAPHY

১।	'স্বপ্নবাসবদত্তম্'	—	A. Sastri.
২।	রঘুবংশম্ ১ম সর্গ	—	,,
৩।	গীতা ২য় অধ্যায়	—	,,
৪।	মহাভারত	—	কালীপ্রসন্ন সিংহ
৫।	বাল্মীকি রামায়ণ	—	বসুমতী সংস্করণ
৬।	বিষ্ণুপুরাণ	—	গোরক্ষপুর ,,
৭।	শব্দ কল্পদ্রুম	—	—
৮।	অমরকোষ	—	চৌখাম্বা
৯।	অভিজ্ঞান শকুন্তলম্	—	শ্রীব্রজবিহারী শর্ম্ম
১০।	মাসিক বসুমতী ১ম খণ্ড—		
	৪র্থভব মশিং ১৩৪৪ সাল,—		
	শ্রাবণ 'নাট্যমাতৃকা' —		
	প্রবন্ধ —	—	A. Sastri.
১১।	Appendix, Inter English made Easy by K. Banarjee 1949 Edition.		
১২।	আধুনিক বাংলা ছন্দ	—	নীলরতন সেন
১৩।	অলঙ্কার জিজ্ঞাসা	—	শুদ্ধসত্ত্ব বসু
১৪।	অলঙ্কার চন্দ্রিকা	—	শ্যামাপদ
১৫।	ছন্দোমঞ্জরী	—	গঙ্গাদাস

(Edited by Dr. D. K. Kanjilal).

নাট্যদা য়াওব পাত্রশিং

নিপা

সূত্রধার	—	সূত্র থীব = (Stage manager)
রাজা	—	বৎসরাজ উদয়ন
যৌগন্ধরায়ণ	—	বৎসরাজ মন্ত্রী
বিদূষক	—	বসন্তক (বৎসবাজগী চায়ব মরুপ)
ব্রহ্মচারী	—	লাবাণক্তা লৈব ছাত্র
	—	রাজকুলগী লৈমকোন্ শেন্নব মগুণ লৈব ব্রাহ্মণ অহন (A Chamberlain)
সম্ভষক ভট্ট	—	পদ্মাবতীগী মনাইশিং

নুপী

বাসবদত্তা	—	আবন্তিকাবেষ শেংপী উদয়নগী অহানব মহারাণী।
পদ্মাবতী	—	মগধরাজ দর্শকীমচন্—উদয়নগী অনিশুব মহারাণী।
তাপসী	—	— — —
চেটী	—	পদ্মাবতীগী মনাইনুপী (female attendents)
মধুকরিকা, পদ্মিনিকা	—	পদ্মাবতীগী মতাশিং অমদি মনাইশিং।
ধাত্রী (অহানবা)	—	পদ্মাবতীগী মপী (Foster-mother)
ধাত্রী (অনিশুবা)	—	বাসবদত্তাগী মপী।

বিজয়া—প্রতীহারী (বৎসরাজগৃহগী থোংশংবী)।

সূচী



ইবোয়াইমাসিংহ

চন্দ্রাকাশ গ্রহ শশী খৃষ্টাব্দী বসু।

থা রস তাং কুজবার বসুধা তথাক্তা ॥

5825

5825

ওঁ নমো ভগবতে বাসুদেবায়।

মহাকবি—শ্রীভাসগী

স্বপ্নবাসবদত্তম্

আপনা (Prologue)

নান্দী শ্লোক থীরিব তুংদা সূত্রধার চঙবা

সূত্রধার ঃ—

থোবকপ অনৌবা থাগী মচু মাম্বা,
[1]পদ্মানা—তিল্লব [2]মধুনা কলহম্বা,
পুক্নিবু শুম্নাংপ বসন্ত ওইবদা,
পাম্বোম্মা ভাম্রমু [3]বলগী খ্বাইর্মকপু ॥ ১

মাননীয় সভ্যাশিংদা খঙহন্জনিঙ্ঙি—আঃ কবিনো! চিঙৈনা লাউ-খোংব মখোল অমা তারিবসিম্বো! খ্বাই খঙননবা লাউ-থোকচগে তৌবিঙৈদা ফয়ে, য়েঙ্গু গে—

(নেপথ্যদা) হন্দোকপিয়ু, হন্দোকপিয়ু, ইবুঙোখোয়, হন্দোকপিয়ু।

১। পদ্মানা—কমলবনা। ২। মু। ৩। বল—বলরাম

সূত্রধার—ও, খঙেঙ, খঙেঙ !

মচানুপী মতুংইথ মগধরাজ মনাইশিংনা।
তপোবন্‌গী মীময়াম্ব তাম্থোক্‌পিরি য়াম্না থীনা॥ ২

থোক্‌থিবা।

স্থাপনা লোইরে।

অহান্ব অঙ্ক।

রাজগৃহগী মনাক্তা লৈব আশ্রম মমুক্তী লম্বীদা চঙ্‌লগা

ভট অনি—হন্দোক্‌পিয়ু, হন্দোক্‌পিয়ু, ইবুংঙোথোয় ! হন্দোক্‌পিয়ু।

(সন্ন্যাসী বেষ শেংপ যৌগন্ধরায়ণ অমসুং আবন্তিকা বেষ শেংপী বাসবদত্তা চঙ্‌লকপা)।

যৌগন্ধরায়ণ— (তারগা) অসিদসু মী তাম্থোক্লিবসিবো করিগীনো ?

মবুক তপ্প উকুশেংপ ইরাৎপূজা তৌফম্ থোক্কপ,
পেঙ্গব—উইহে-ব্রাহৈদা লৈবশিংবু তপোবন্দা,
করিগী কিহন্ থংহনা ? (ক)
মঙক্ হাইগৎপ থৌগাক্ নাইদব,
অপাইব লম্না শুম্নাংপীরব,
কনানো মানা শুইহন্বিরিব,
আশ্রম্ অসিবু য়াম্না চীক্লব,
খুদক্ ব্রাথোক্‌প ঈশৌ লাংলব ? (খ)

বাসবদত্তা—আর্য্য ! খ্বাইবু তাল্লিবসে কনানো ?

যৌগন্ধরায়ণ—মবেন্মা ! মশামকপু খর্ম্মদগী তাম্মোক্চরব মীনিদনা ।

বাসবদত্তা—আর্য্য ! ঐনা হায়জবদি মহু নত্তে, ঐবুসু তাম্মোক্-
পিগদৌরিবরা ?

যৌগন্ধরায়ণ— মবেন্মা ! অসিগুম্ব মফম্মরাং খঙ্দব মফম্দা
লাইমক্পুসু উশিং থৌওইবিদে ।

বাসবদত্তা—আর্য্য ! থৌওই-উসিত্তব'সিনা থরাই্ মুঙাইহন্দবা
অহুক্ লম্শাং চৎপনা রাহন্দে ।

যৌগন্ধরায়ণ—মসে ইবেন্মনা ভোগ তৌখ্রব—থাদোক্খ্রব বিষয়
ঙাক্কনি ; মহুগীদমক চিন্তা তৌবিরম্ু । করিনা—

নীঙ্ব-থুংনা হান্না নংন্না চৎখ্রব শাজং চীঙ্লেম্না ।
চৎকদৌরি অমুক্ হন্না জয় ওইবদা নবুঙোনা ॥
চৎলি মতম্ খোঙলৈ ইন্না অরা-মুঙাইবা পরেংনা ।
উরু-উরু লৈবগুম্না কাখোঙ্গী মশা পরেংনা ॥ ৪

ভট অনি—থৈদোক্পিয়ু আর্য্যা ! থৈদোক্পিয়ু ।

(কঞ্চুকী চঙ্লক্পা) ।

কঞ্চুকী—সন্তমক ! তৌম্ু, তৌম্ু, অহুম্ তাম্মোক্পা হৌনদে ।

য়েঙ্গু ঃ-

লৈহন্গম্ু নিংথৌগী মিংচৎ কত্তব,
আশ্রম্বাসিশিংবু তৌগম্ু শাথিনা,
কোক্লবৈ নগর শাজং উশিত্তব,
লৈরবি আশ্রমদা পুক্চেল্-চাওবশিংনা ॥ ৫

ভট অনি—আর্য্য ! করে, মন্থম্ তৌরকি। (পোকখিবা)

যৌগন্ধরায়ণ—স্বগত্যেঁতেহবহ ! নিপা অমিগী খাথক অসি-চুম্না উই।।
নূপীমচা ! মাঙ্ক মনক্কো চংব্রসি।

বাসবদত্তা—আর্য্য ! মতুম তৌবসি।

যৌগন্ধরায়ণ— (চঙ্শিল্লগা) মহাশয ! মীয়াম তাম্হোক্লিবা
করিগীনো ?

কঞ্চুকী—তাপসি !

যৌগন্ধরায়ণ—(মথক্তদ) 'তাপসি' হায়না কৌবসিদি অবেম্ব
নিকৌনি। অহুবু হৈনরক্কবশিনা ঐগ্ডান্দদি হুঙাইতরে।

কঞ্চুকী—তাব্বিয়ু ইবুঙো ! গুরুজনশিংনা "দর্শক" হাবনা কৌনবা,
ঐখোয়গী মহারাজগী মচন্ ইবেম্মা পদ্মাবতীনি। আশ্রমদা
লৈবী মহারাজ মাতা মহাদেবীগী স্নানাক্তা চংলুবিধনি।
হৌজিক মমাসিজগী য়াথং লৌতুনা রাজগৃহ তান্না লেঙবিরি।
অহুবু ঙসিদি আশ্রম অসিদা লৈগে খ্বিরি। অতুনা
মহাশয়খোয়না :—

যজ্ঞকাষ্ঠ তীর্থজল হৈ-লৈ-সু কুশ-নচিংয় !
যজ্ঞগী মচাকুমথৈ লৌবিয়ো অপাম্মথৈ ॥
ধর্ম্ম পাম্বী রাজকন্যা য়েত্তবদি ধরমদা।
কুলব্রতনি মথৌয়গী তপস্বী ম্রাম্বী ॥ ৬

যৌগন্ধরায়ণ—(স্বগ)

সুকুন্তলনা ! মসি ওইরে, পদ্মাবতী হৌরিব
মগধ রাজকুমারী—মহারাণী ওইরনি
হায়নবা ঐখোয়গী মহারাজমকী,
পুষ্পক ভদ্র-নচিংব অহৈশিং-পাজিনা ।

অহুনদি :— য়ায়া হুংশি মপু নুপী মাবু ওইহল্লিংবদফী ॥ ৭

বাসবদত্তা—(মথন্তদা) 'রাজকুমারীনি' হায়ব তাবদা ইনাওগুম্বা মাবু হুংশিরে ।

(লোয়নবীশিং য়াওনা পদ্মাবতীগা চেটীগা চংলকপা)

চেটী—মজাইবেম্মা ! লেঙ্‌শিন্বিসি, লেঙ শিন্বিসি । মসি আশ্রম্নি ; লেঙ্‌শিন্বিসি ।

(ফমবী তাপসী অমা চঙ্‌লকপা)

তাপসী—মজাইবেম্মা ! তরাম্ তরাম্ ওকৃচরি, লেঙ্‌শিনবিরক্নি ।

বাসবদত্তা—(মথন্তদা) রাজকুমারী অহুনি মসি । মপা-মপু অচৌবনিনা মশক্ক ফজে ।

পদ্মাবতী—আর্য্য ! খুরুমজরি ।

তাপসী—পুক্নিয় । চঙ্গকুত্ত হুপীমচা, চঙ্গকুত্ত লাউ ! তপোবন হায়বসিদি অতিথিগী ময়ুম্মক্নি ।

পদ্মাবতী—ফনি ফনি, আর্য্য ! তরাম্ তরাম্মা তৌবিহনা য়ায়া চাখিরে ।

বাসবদত্তা—(মথন্তদা) মশক্ক নত্তেনা, য়াহৈ-খোন্দাসু মধুরনিনা ।

তাপসী—ভদ্রে ! মহারাজগী মচন্ ইবেমবু হৌজিক ফাওবা কনাগুম রাজাদা খাজরিবরা ?

চেটী—উজ্জয়িনীগী রাজা প্রদ্যোতগী মমৌ ইবেম্মা ওইনবগী হায়ন-খোংনরি।

বাসবদত্তা—(স্বগতম্) বাঃ বাঃ! মহাক্ অহু ওইরবদি হৌজিক্তি ঐখোয়গী মরি-মতা ওইরেদনা।

তাপসী—মতিক্ চায়, মশক্-মতৌ অসিনা অসিগুম্ব সম্মান ফংবা। রাজবংশ অনিমক্ অচৌবনি হায়না তায়।

পদ্মাবতী—আর্য্য! দান থরদং লৌবিহুনা ঐবু চানবিগদবা কনা-গুম্ব মুনিজন লৈগদরা? 'কনানা করি করি পাম্মী' হায়বহু লাউথোক্পিহুনা কৌবিরো, অপাম-অপাম্বহু ঐ কচ্ছগে?

কঞ্চুকী—মজাইবেম্মগী ইচ্ছানি। কনা কনানো! আশ্রমদা লৈবি-রিব তপস্বিশিং! তাবিয়ু, ইবুঙোখোয় তাবিয়ু! মাননীয়া মগধ রাজকুমারীনা, থ্বায়না চাম্বিগনি খন্দুনা ধর্ম্মগীদমক দান তৌজগে হায়না কৌজরি :—

চফ্ কনানা পাম্বগে ফী-রোন্ কনানা পাম্বগে।
দীক্ষা ফংবনা গুরুদা কৎনবা করি পাম্বগে।
মা-মানা পাম্ব হায়বিরো কনাদা করি পীদগে
ধর্ম্ম-পাম্বি রাজকুমারী ওসি ভীক্ষা পীনবিরি॥ ৮

যৌগন্ধরায়ণ—বাঃ! উপায় অমদি লৈরেদনা। (ফোংনা) ঐ * প্রার্থী অমনি।

পদ্মাবতী—ইরাইবক ফরে, আশ্রমদা লাক্নচবা মহে য়াব্রে,

---

* অনীবমী

তাপসী—আশ্রমগী তপস্বী পুম্নমক মথল্লাই পেল্লা লৈরিবনি।
মসিদি কনাগুম্ব অতিথি অমা ওইরম্ব তাই।

কঞ্চুকী—মহাশয়! করি তৌজো হায়বগে?

যৌগন্ধরায়ণ—মসি ঐগী ইচম্নি। অপুন্নোইব হৌজিক মীরৈবাক্তা লৈখি। ঐগী ইচ্ছাদি—মজাইবেম্মনা মতম থরদং মাবু য়েংবি-খোৎপিযু। মরমদি ঃ—

শেন্থুম্ পাম্দে ভোগ্ পাম্জদে পাম্জদে ফী
শেৎপা মক্তে ফীভাং থল্লাই হিংন'মক্তী *
পুক্চেল্ ওম্মী জ্ঞান্ ধর্ম্ম চেন্বী মহাক্না
ভাক্পা ওম্মী লম্চৎ ইচন্গী তশেংনা॥ ৯

বাসবদত্তা—(মথস্তদা) অহুনদি। আর্য্য যৌগন্ধরায়ণনা ঐবু অসিদা থম্মম্গে খল্লবোইরে। থোক্পা তৌরসম্ভু। বিচার তৌদনা তৌবা ওইরম্মোই।

কঞ্চুকী—মজাইবেম্মা! মহাক্কী'সিদি অরুব প্রার্থনানি। শোয়দনা তৌগে করম্না হায়গনি। মরমদি ঃ—

লম্থুম্ থল্লাই তপস্যাদি পীথোক্পদা অল্লায়্বনি।
অল্লায়্বনি অতৈপুম্ব শেন্নব লুই থনম্ব পোৎ॥ ১০

পদ্মাবতী—আর্য্য! অহান্বদদি 'কনা কনা করি করি পাম্বগে' হায়না লাউথোক্খ্রগা, হৌজিক্ বিচার তৌবা মতিক্ চাদে। মহাক্না হায়রিবসি তৌবা তাই।

---

* হিংনবমক্তী হায়বনি, ছন্দগী শম্জিন্বনি।

কঞ্চুকী—মজাইবেম্মনা মতিকচানা তাকপিরে।

চেটী—সত্যবাদিনী মজাইবেম্মা পুন্সিনদু।

তাপসী—য়াইফবী নহাক্সু পুন্সিনু।

কঞ্চুকী—মহুম্‌তৌরসি মবেম্মা! (চঙ্‌শিল্লগা) মহাশয়! মজাইবেম্মনা মচন্‌ ইবেম্মগী অভিভাবক ওইরনি তাকপিরে।

যৌগন্ধরায়ণ—মজাইবেম্মনা চাঘিরে। নুপী মচা! মজাইবেম্মগী নাক্তা চঙু।

বাসব—(মতোম্‌তদা) করি গতি লৈ? লাইবক্‌থিবীনিনা চৎপা তারে।

পদ্মাবতী—ফরে, ফরে, হৌজিক্তি মহাক ঐমক্তা মী ওইরেদনা।

তাপসী—মশক্-মতৌ উবদা ঐনা খঙদা মসিসু রাজকুমারী ওইরমাল্লে।

চেটী—আর্য্যানা অচুম্বমক্‌ তাকপিরে। ঐসু মাবু লৈমাকোন্দা মোন্‌থাংনরক্‌প ওইনা খল্লি।

যৌগন্ধরায়ণ—(মথন্তদা) ফরেদা! থৌদাং তথাই অমদি লোইরেদনা। মন্ত্রীশিঙ্গা খল্লখিব অহুমক্‌ চপ্‌চানা থোক্লেদনা। ইনিংথৌগী রাজ্য ফংলবা মতুংদা ঐনা মনাও ইবেম্মবু কচিন্নবা মতমদা মগধ রাজকুমারীনা মনাও-ইবেম্মগী সতীত্বগী সাক্ষী ওইরগনি। মরমদি:—

থোক্লক্লি তাকপিথিবশিংনা অহাব পুন্ন
নিংথৌগী মহিষী হায়খে, পদ্মাবতি ওইনি।
ঐনা'হু থাজবদগী অসি তৌই, তৌরে,
লাম্বোক্তনা য়িন্নিনা চৎলিব সিদ্ধ বাক্য॥ ১১

ব্রহ্মচারী—(মথক্তা য়েংলগা) মুয়াম্‌ং য়ুংলে। য়ামনু চোকখ্রে। কদায়দা বিশ্রাম তৌবিবা ? (কোয়চৎ চৎলগা) অচ্ছা, থঙলে। মনাক্‌ অসিত্তাইদা তপোবন লৈমাগে। করিনা :—

অখঙ্গ্র লমদা লাকপনা　　　চিংনক্তা শঙ্কিশিংনা
কোয়্‌চৎ চৎলি মনিং মথা তৌনা।
মহৈ-মপায়া থঙ্গব　　　মশা মরেংনা লৈতেংব
পাম্বী হৌহল্লি লুনা ভাকুনা॥　(ক)

যগ অঙাংবী মপৈ য়াম্বী লম্বাং থোইত্ত্ব কোয়না লৈ।
শোয়ত্রে মসি তপোবন্নি মৈথু খুরি অয়াম্বদা॥ ১২　(খ)

চণ্ডুখিগে। (চণ্ডবদা) এঃ! নিপা অসিদি আশ্রমদা লৈব মী মত্তো। (অমরোমদা য়েংলগা) অত্থগা অসিদা তপস্বীশিংমু লৈরি। অত্থনদি চণ্ডবদা দোষ লৈরোইদ-মাগে। এঃ! নুপী মহাস্থু লৈনা।

কঞ্চুকী—চণ্ডবিরকউ মহাশয়। করিস ছাক্কাইবিন। আশ্রমদি থাই পূন্নমক্কীনি।

বাসবদত্তা—হয়।

পদ্মাবতী—ভদ্রমহিলাদি নিপা অতৈগা উনবা য়াদে। যেলা অমা ওইসল্লু। শিয়্রবপোং চেক্‌শিন্না লেয়কম্‌ থোক্‌ই।

কঞ্চুকী—মহাশয়! ঐথোয়না হায়রি লৈরয়ে। ঐথোয়গী অতিথি সৎকার লৌবিয়ু।

ব্রহ্মচারী—(আচমন তৌরগা) ধন্যবাদ ! অরাবা থৌরে ।

যৌগন্ধরায়ণ—মহাশয় ! কদোমদগী লেঙ্‌বিরক্লিবা, কদায় রোনা লেঙ্‌বিগনি, মহাশয়গী লৈফম কদায়দনো ?

ব্রহ্মচারী—মহাশয় ! তাবিসি। রাজগৃহদগী লাক্লিবনি। বেদ তম্‌গে হায়দুনা বৎসদেশগী লাবাণক কৌবা গ্রামদা লৈরম্লই ।

বাসবদত্তা—(মতোমতদা) হা লাবাণক ! লাবাণক মমিংতদা ঐগী অরাবা অমুক্ ইনৌ নৌরক্লে ।

যৌগন্ধরায়ণ—বিত্থা উঙ্বদি লৌইরবরা ?

ব্রহ্মচারী—লোইখ্রে ।

যৌগন্ধরায়ণ—বিত্থা তম্বা লোইত্রবদি করিগী অসিদা লাক্পিরিবা ?

ব্রহ্মচারী—মহাব্রিপদ অমা অদুদা থোক্লে ।

যৌগন্ধরায়ণ—করম্না ?

ব্রহ্মচারী—অদুদা উদয়ন কৌবা রাজা অমা লৈ ।

যৌগন্ধরায়ণ—মহারাজ উদয়নগী মমিং তায়। মহাক্তী করি থোক্লবগে ?

ব্রহ্মচারী— অবন্তি-রাজকুমারী বাসবদত্তা মহাক্কী ! প্রিয়তমা মহারাণীনি ।

যৌগন্ধরায়ণ—ওইরম্‌গনি। অদুদগী কম্‌দোৌবা ?

ব্রহ্মচারী—মহারাজনা মৃগয়া লেঙ্‌খিদুৌদো খুন্ মৈচাক্লকপদা মহাক্ চাক্‌না শিখরে ।

বাসবদত্তা—(মথস্তদা) মিথ্যানি ! মিথ্যা ভাক্তনি ।
মরাইবকৃথীবী হৌজিক ক্ষাওব হিংলি ।

যৌগন্ধরায়ণ—মথংদা কবি ?

ব্রহ্মচারী—মহাক্পু কন্নিংব রাজ মন্ত্রী যৌগন্ধরায়ণস্থু মৈস্থুং অত্থদা চোংশিল্লম্মী ।

যৌগন্ধরায়ণ—থাঙ্গেশেংনমক্ চোংশিল্লম্বরা ? অ-অত্থদগা ?

ব্রহ্মচারী—অত্থদগী রাজানা হল্লক্লা রারম অসি তাবদা মহাক্ ক্ষায়নবদা মথরাই চাক্পদগী মৈস্থুংদা প্রাণ থাগে হোৎনরম্মী । মন্ত্রীশিংনা য়াম্না রানা মহাকপু থাম্লম্মী ।

বাসবদত্তা—(মথস্তদা)— খডিঙ, খডিঙ, আর্য্যপুত্রনা ঐবু নুনা তৌবিবত্থু ।

যৌগন্ধবায়ণ—মথংদা কম্দোবা ?

ব্রহ্মচারী—মতুংদা রাজানা মহাক্কা শিরম্ব অচাক্প অলঙ্কারশিংম্থু কোল্ল-কোল্লা রাম্থরম্মী ।

খ্বাইনা—ওঃ —ওম্থোক্পনিদা !

বাসবদত্তা—(মথস্তদা) আর্য্য যৌগন্ধবায়ণগী নীঙ্বা থুংলসম্থু হৌজিক্তি ।

চেটী—মজাইবেম্মা ! ভদ্রমহিলা অসি কপ্লিনা ।

পদ্মাবতী—মবুক্চেল্ নৌবনা ওইরিনি ।

যৌগন্ধরায়ণ—হোই, হোই, ঐগী ইচল অসি মহৌশানা মিস্থুংশি থাঙ্বা ওম্দে ; মপি নৌথবনি । মতুংদা কম্দোবা ?

ব্রহ্মচারী—মতুংদা তপ্পা তপ্পা জ্ঞান তারক্লে।

পদ্মাবতী—লাইঙ্গী কৃপাদগী মহাক হিংল্লে। ব্রাহ্মণরে তাবদা ঐগী থন্নাই শুন্দা লৈরম্নবনি।

যৌগন্ধরায়ণ—অচুম্বনি! অহুদগীদি ?

ব্রহ্মচারী—করি হায়গনি ? রাজানা লৈমাইদা থরো থরো ওন্দগী উকুন্-য়াইফুল ইতৈ-তৈনা কুক্ হৌগৎলগা—হা বাসবদত্তা—হা অবন্তি রাজকুমারি! হা প্রিয়ে! হা প্রিয়শিষ্যে—অসিনচিংবা কয়া কয়া হায়তুনা তেংথারম্মী—করি অমুক হায়গনি :—

রাদে হৌজিক্ চক্রবাক্পা মহাকুম। (ক)
রূপ্ গুণ্ লৈবী কায়্নবা মী অতৈনা।
নুপীদি মুংশিবিব য়াইকবনী মরানা। (খ)
চাক্কেন চাক্রবত্ন মুংশিবদি মরানা॥ ১৩

যৌগন্ধরায়ণ—কনাগুম মন্ত্রীনা মহাক্পু হায়গী কিজমদো তাহনব হোৎনবিক্রবরা ?

ব্রহ্মচারী—রুমণ্বান কোব মন্ত্রী অমা লৈ, মহাক্পা হায়গী-মচেৎ শুম্না লৈহম্নবগী য়াম্না কম্না লাক্লে।

মরমদি মহাক্পা :—

চাদে থক্কে রাজাগুম্না কম্না জল্ডে য়ার থোং লাংলে
শেংদোক্কে য়েংদে হকচাং য়াম্নিদৈ কপমিদৈ নিংথৌনা।
লেম্না তৌদৈ নিংথৌবী য়াম্না চেকুশিন্না মুখিম্ন মাং।
মাহাক প্রাণ থাবা য়ায় নিংথৌনা হৌজিমক্ মাং থাৎলবনা। ১

বাসবদত্তা—(মথঙা) ইপুরুষী, কুপ্সাবতী [illegible] [illegible] নুং নুরা নীঙ্গব মনাইবী মথুঙ্গা থুমরে।

যৌগন্ধরায়ণ—(মথঙা) ও :! কমথানুসি মহাক্তায় অমা লোকু-থোং নাত্তেদনা। করিনা :—

প্রোঞ্জর য়াযু ঐগী দাক্কদি অয়ায় ভাক্কি যাগীদি
নিংথৌ থক্কনা মথাদা ওঙ্গমক মাগী মথাদা ॥ ১৫

(ইকোং কোংনা) হৌজিক্তি মহারাজগী [illegible] তুবথাদা লৈরবরা।

ব্রহ্মচারী – হৌজিক ঐ [illegible] থঙ্গদে।— 'অজিমখিনে মহাকা নোকৃমিন্নরম্মু,' "সিন্নাইদনিনে, মহাকা, বা [illegible]," 'সিন্নাইদনিনে মহাকা লৈমিন্নরম্মু, 'মকুম অসিমনিনে মঙোল্দা শান্দুরম্মু,' 'অসিমনিনে মহাকা তুম্বিন্নরম্মু' অসি হায়রহনা তেংথা-নাওহন [illegible] মখৈমিংনা [illegible] বানা অমুমু, মকুম ঙোনা, প্রানে, অমদগী থুনাকদি। নিংথৌ লেঙ্খিবদা থরাম্মিচাক [illegible]-থোকনদ, অতিয়াওম মকৃশিন্নব [illegible] [illegible] থাদোকনা, ঐস্ব নাকৃমিন্নি।

তাপসী—থুজবিব মী অসিনা অম্তমা [illegible] [illegible] শোক্কনা [illegible] [illegible] তাই।

চেটী—ইষাইবেয়া। অভে নূপী অমা মহাকী মখুং চঙ্গংগরা?

পদ্মাবতী—(নুমঙা) ঐগী থুঙ্কিংদা [illegible] [illegible]

ব্রহ্মচারী—[illegible], [illegible]। বিদায় পীনবিয়ু। [illegible]

মখোয় অনি—চৎপিরো, অনিংব থুংবিরকরো।

ব্রহ্মচারী—ফরে ফরে। (থোক্‌খিবা)

যৌগন্ধরায়ণ—ওস্থোক্লা করেদা। মজাইবেম্মগী য়াথং লৈরবদি ঐহাকস্থু চচ্চরগে।

কঞ্চুকী—মজাইবেম্মগী য়াথং ঙাইজরি, ননাইস্থু চচ্চনিংলে।

পদ্মাবতী—আর্য্যগী নচন্ ইবেম্মদি আর্য্য লৈত্রবদি থোয়রাংলগনি, হৈনররোই।

যৌগন্ধরায়ণ—অফব মীশিঙ্গা লৈমিন্নবদবু করিগী থোয়রাঙ্গনি। (কঞ্চুকীবু য়েংলগা) ঐ চৎলগে অহুদি।

কঞ্চুকী—ফরে অহুদি, অমুক উনবা হায়’হুনি।

যৌগন্ধরায়ণ—অচ্ছা। (থোক্‌খিবা)

কঞ্চুকী—হৌজিক মপুংদা চঙ্‌বা মতম ওইরে।

পদ্মাবতী—আর্য্যে! খুরুম্‌জরি।

তাপসী—নুপীমচা! যোগ্যচাব নপুরোইব ফংজো।

বাসবদত্তা—আর্য্যে! ঐনস্থু খুরুম্‌জরি।

তাপসী—নহাক্সু খুনমক্ নপুরোইবগা উনজো।

বাসবদত্তা—কৃপা পীনবিরে।

কঞ্চুকী—অহু ওইরবদি লেঙ্‌শিন্‌বিরো, অসোম্মদা, ইবেম্মা অসোম্‌দা। হৌজিক—

মকোন্ চঙ্‌থরে ডচেক্লাং ইরুমায়খরে মুনিশিং।
হোম্‌গী মৈনা ইঙাল ঙাত্রে মৈখুনা আক্সাম্ মীরু'ংলে॥

অতিয়াদে শুম্বিং তারে মশেক্ মতাল্ খোম্জিন্খরে।
দোলাই মমায় লৈথোক্খরে অস্তাচলদা তম্না চঙ্খে॥ ১৬

(ওয়মক্ থোক্খিবা)।

অহান্ব অঙ্ক লোইরবা।

অনিশুব অঙ্ক

প্রবেশকঃ (Interlude)

রাজগৃহ কোন্নুং মন্নুঙ্গী লৈকোল।

(চেটী চঙ্লকপা)

চেটী—কুঞ্জরিকা! কুঞ্জরিকা! মজাইবেম্মা পদ্মাবতী কদোম্দা লৈবগে?—করি হায়রা? মজাইবেম্মদি মাধবী লতা মণ্ডপ্ময়াদা *কন্দুক শান্নরিবদাই? করে অছুঙি, মজাইবেম্মগী মনাক্তা চংলুগে। (চংলগা অমমুং উরগা) বাঃ! মজাইবেম্মদি কন্দুক শান্ন-শান্নবা অসোম্দগুম লাক্লে। নাকোংলৈ মথক্তা হাইগংলে, চেন্-চোংবনা মমায়দা হুমাং মরিক্ মরিক্ শোরে, শান্নবদা থর চোক্খবদিদা মায়থোং অসি কয়া ফজনা পুক্লিং হুনা উরিবা! মনাক্তগুম্ চংলগে।

(থোক্খিবা)

প্রবেশকঃ লোইরবা।

---

* বল মচা, কিবুল।

(বাসবদত্তা অমসুং মনাইশিংগা লোইননা কন্দুক শান্নরি-শান্নরি পদ্মাবতী চংলকপা।)

বাসবদত্তা—অখি ! মসি নহাক্কী কন্দুকনি।

পদ্মাবতী—আর্য্যে ! হৌজিক শান্নব অসুম্বক্ তোল্লসি।

বাসবদত্তা—ইতা ! য়াম্না কুইনা কন্দুক শান্নবনা ইবেম্মগী খোইন হেন-ভাউ ব-খুবাক অনিদো মী অতৈগী ওইরবোই খল্লুরে।

চেটী—মজাইবেম্মা ! শান্নরিবু, শান্নরিবু। নিংথিরব লৈশাবি—মতম্ শুগাইনা লেপ্পোক্পিয়ু।

পদ্মাবতী—আর্য্যে ! ঐবু নোক্লবিগে হায়না ঙেংবিরিব্রোইরে ?

বাসবদত্তা—নত্তে, নত্তে, ইতা ! ওসিদি য়াম্না হেন্না ফজরে। মাইকৈ অকোয়বদা নঙী বরগী মায়খোংত উবগুম্ তোল্লি।

পদ্মাবতী—হুন্দোক্উ। নক্পিন্নকম্ডা ! হৌজিক ঐ[illegible] কাপি-কাল্লাং তৌবিরুদা !

বাসবদত্তা—ইস্ ! মহাসেনগী মচৌ ইবেম্মা ! ভাবুরবোই, তুম্বিস্না লোল্লরে।

পদ্মাবতী—'মহাসেনগী [illegible]' হায়রিব্রদু কনাগনা ?

বাসবদত্তা—উজ্জয়িনীগী প্রদ্যোত কৌবা য়াম্না [illegible] লৈ। অতোপ [illegible] নাগী লৈবদগী [illegible] '[illegible]' হায়না কৌবে।

চেটী—মজাইবেম্মসি নিংথৌ [illegible] [illegible] লৈনবা পাম্বরে।

বাসবদত্তা—অদুদি হৌজিক কনাগা [illegible] লৈনহন্ন [illegible]

চেটী—উদয়ণ কৌব [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]-
[illegible] তাবস্সী, মত্ত্যোম্না মজাইবেস্মী প্লুক্কি প্রোমদরে।

বাসবদত্তা—(আত্মগতম্) আর্যপুত্র [illegible] ওইগে থন্নি-
বোইরে। (কোংনা) করি মরম্ণী ?

চেটী—মিত্তুংশি খণ্ডিও মহাক্তি। অত্থুনন্নি।

বাসবদত্তা—(মতোমৃজা) খণ্ডেও, খণ্ডেও! এ্রমকৃপুত্র মতৌ স্নস্নুম্মা
ভাওহম্নম্মিবনিদো।

চেটী—মজাইবেস্মা! ম্রাজা অহ্ন মশক্ থীরম্নবদি ?

বাসবদত্তা—থীদে, থীদে। ফজৈ।

পদ্মাবতী—[illegible]! [illegible] খণ্ড্ বিকম্নিনা ?

বাসবদত্তা—([illegible])— আর্যপুত্রেণী ওইমা রাখল তোকবদনী
কা-হেম্না হায়দোক্থরেদনা। করম্ তৌলি হোজিক্।
[illegible] অহনু[illegible]রে। (কোংনা) সখি। [illegible]
প্রজাশিংনা অস্থম্ ভাও্নৈ।

পদ্মাবতী—দুমম্প্রনি। উজ্জয়িনী-প্রজাশিংনম্নি মহাক্রপুদি ম্রান্না
তোম্নুনা উবিগনি। পুম্নকী প্লুক্কিং হথ্ [illegible] কৌনৈ।

([illegible] [illegible])

ধাত্রী—জয় মজাইবেস্মী জয়! [illegible] [illegible] এলাইনথরে,
[illegible]।

বাসবদত্তা—আর্যে! কনাদনো ?

ধাত্রী—[illegible] [illegible]।

বাসবদত্তা—রাজা অদুদি মঙ্গল ওইরিবরা ?

ধাত্রী—মঙ্গল ওইরি, অশোই-অঙাম্ য়াওদনা অসিদা থুগরে। অদুগা রাজকুমারীবু মনাই ওইহন্‌গে হায়না মা য়াথং থাবিথরে।

বাসবদত্তা—মহাবিপদনিদনা !

ধাত্রী—করিগী মহাবিপদ ওইরিবা ?

বাসবদত্তা—করিস্থ নত্তেদা। ঐনা হায়বদি— অদুক্ মথন্নাই চাকৃথ্রবা—মতুংদা মঙোন্দা খোয়দাবিরোই।

ধাত্রী—অর্য্যে ! মহাপুরুষশিংগী থমোইদা শাস্ত্রজ্ঞান্ মপুংফানা লৈ। অদুনা মখোয়দি ইরাই লায়না মহৌশাগী অবস্থাদা হন্দিল্লি।

বাসবদত্তা—আর্য্যে ! রাজা মশামক্না মহাকৃপু শামহুনা দান লৌরম্বরা ?

ধাত্রী—নত্তে, নত্তে। মহাক্তি অতৈ করিগুম্ব থবক অমগী অসিদা লাকৃপনি। মহাকী অচৌব শাগে, জ্ঞান, মখোক্তাব বয়স্ অমস্তুং মশক মতৌ উবদা মহারাজ মশামক্না বাথ্ দান তৌরম্বনি।

বাসবদত্তা—(মথন্দা) অদু ওইরবদি মত্তাং 'অসিদা আর্য্যপুত্রগী দোষ করিস্থ লৈত্তেদনা।

(অতৈ চঙ্‌লকৃনা

চেটী—আর্ষ্যে, থুনা লাকৃপিয়ো। ঙসিমক্ শুজাদিন্নি। ঙসিমক্ বিবাহ-মঙ্গল তৌগদবনি হায়না মহারাণীনা স্নায়াথং তাকৃপিরে।

বাসবদত্তা—(স্বগতদা) থুনা তৌরিবা অহুকী মতিক ঐগী থমোই মমৃশিল্লকৃপনা হেল্লি।

ধাত্রী—লেঙ্ বিরসি, লেঙ্ বিরসি, মজাইবেম্মা।

(পূম্নমক থোকৃখিবা)

অনিশুব অঙ্ক লোইরবা।

অহুমশুব অঙ্ক

কোম্নুং মণ্ডপী লৈকোন।

(চিন্তা তৌনা বাসবদত্তা চঙ্লকৃপা)

বাসবদত্তা—লুহোংবগী হয়াওবনা থল্লব লৈমকোন্‌গী মাওগ্রা পদ্মাবতীদু থাদোক্লম্নগা ঐ [1]প্রমোদবন অসিদা লাক্লে। হৌজিক ঐগী ইয়াইবক্তা তমৃথ্রব অন্নাবা পোথোক্লগে। (কোয়চং চংলগা) ঙস্থোক্লা থীথয়েদা লাইবক্লে। আর্য্য-পুত্রনা হৌজিক্তি অতৈগী ওইখিদৌরবা! কমখিৎ[illegible] [illegible]হাকুদু (কপগা) [2]চক্রবাক বধু মরাইবকৃ[illegible]

১। Pleasure garden.　　২। ডাহ্ হঞ্জোং অমোম্

মতৈ-[illegible] হেক্ কা[illegible]দা, প্রাণ [illegible]! [illegible] [illegible] ঐহাক্তি প্রাণ থাবা [illegible]দনা—আর্যপুত্র অমুক্ উনখিগে হায়বগী আশাদগী হৌজিক [illegible] হিংহনা [illegible]।

(লৈ-পুদুনা চেটী [illegible])

চেটী—আর্য্যা আবন্তিকা কদায়দা [illegible] রবনো? (কোইরে [illegible]) এঃ! মরিক্ মকোন্ শিদনা অচম্ব কীজেং শেত্নুনা চিন্তাদা থমোই [illegible] লৈ[illegible] কুপ্‌শিন থাজগুম্ প্রিয়ঙ্গু উরী মখাগী নুংপাক্ মথক্তা কম্থুনা লৈরেদনা। মনাক্তা চংলুগে। (চঙ্‌শিল্লগা) আর্য্যে! আবন্তিকা! কয়া কুইরবনো, ইবেম্মবু থিরিবসি!

বাসবদত্তা—করিগীনো ?

চেটী—ঐখোয়গী মহারাণীমা স্নায়াথং তাকপি—“আর্য্যা অচৌব শাগেদা লোক্‌পী, নুংশিবী অমসুং হৈ-শিংবীনি। অহুনা বিবাহজয়মালা মাবু লেংহল্লু।”

বাসবদত্তা—কনাগীদমক্ লেজনি ?

চেটী—ঐখোয়গী [illegible]গীদমক।

বাসবদত্তা—([illegible]) মসিসু ঐনা তৌবা [illegible]! ইরাইবক্তা [illegible]। [illegible]! [illegible] [illegible] [illegible]!

চেটী—[illegible]! হৌজিক [illegible] ফিজো তৌবিয়ু। [illegible]গী কান্দা [illegible] চাইবনি। থুনা লৈপ[illegible]।

বাস—(মথক্তা) অতৈগী ব্রাখন খৰা ওম্লে। (কোংনা)সখি! নত্রদি বর উত্রক্রবরা ?

চেটী—রাজকুমারীবু হুংশিবনে, ইশামক্রা য়েংনিংবনে—ঐনা মহাক্তু উত্রক্রে।

বাস—বর কয়ম্ তৌই ?

চেটী—আর্য্যে! অচুব হায়রিবসিনি, মমাঙৈদা অসিগুম্ব খক্ উত্রখিত্রি।

বাস—সখি! হায়য়ু, হায়য়ু, য়েংবদা নিংখিজৈদনা ?

চেটী—অমনা হেক্তা মহায়গনি—লৌরুং তেন পায়দব কামদেবনি!

বাস—মহ্ হায়ব্রপু। তোক্লসি।

চেটী—করিগীনো থাম্বিরিবা ?

বাস—থংনদবা নিপাগী গুণ প্রশংসা তাবা হৌনদে।

চেটী—অহুনা থুনা পরেং লেংবিরো; মবেম্মা!

বাস—লেংলগে, পুরক্ও।

চেটী—লোবিরোসে মবেম্মা।

বাস—(নৈ হৈদোক্লগা মুগ্না য়েংহুনা) মনা অসি করি কৌরিগবা ?

চেটী—'অবিধবাকরণ' (লুখ্রা-থীংবী) কৌই।

বাস—(মথক্তা)ঐগী গা পদ্মাবতীগী-গা মসি য়াম্না হাগুনা লেজে।
(কোংনা) মনা অসিমনা করি কৌই ?

চেটী—'সপত্নীমর্দন' (লোয়বী নৈবী) কৌই।

বাস—মসিনা লেংলোই।

চেটী—করিগীদমক ?

বাস—মহাকী ভার্য্যাদি লাইগী থুম্না তানুমমে। অদুনা মসিদি করিস্নু কাম্নয়রোই।

(অতৈ চেটী অমা চঙলকপা)

চেটী—আর্য্যে ! থুনা তৌবিয়ো, থুবিয়ো ! * লুখ্রানত্তবীশিংনা বরবু লৈমকোনগী লুহোংকম্‌দা পুশিন্‌খঁরে।

বাস—কয়ে, ঐনা হায়রিবসে, তৌরোসে।

চেটী—মজখরেদা ! আর্য্যে ! ঐ চচ্চরে।

(অনিমক থোক্‌খিবা)

বাস—অদি চংখরে। হাহা ! লাইবকথীদা ! আর্য্যপুত্রনু অতৈগী ওইখবে। ব্রায়দা ! শয্যাদা হিপ্তুনা অরাব-কৌরুবা তৃষ্ণা য়াত্রা য়েঙঙ্গে।

(থোক্‌খিবা)

তপ্তুব অঙ্ক লোইরবা।

---

* See notes.

অহুমশুব অঙ্ক

মিশ্র বিষ্কম্ভক (Mixed prelude)

কৌশাম্বী রাজধানী।

(কঞ্চুকী চঙ্লকপা)

কঞ্চু—মপান্ সনথোঙ্ পুব কনা কনা লৈবগে ?

(চঙ্লগা)

প্রতীহারী—আর্য্য ! ননাই বিজয়া লৈজে। করি তাকপিগদবা ?

কঞ্চু—ইবেম্মা ! হঙ্লংলু থুনা হৌজিক্ক
বৎসরাজ্য ফংবদা মতিক মগুণ হেল্লব
উদয়ন কৌব ইনিংথোদা।—
মহাসেনা থাজিরকপা রৈভ্যবংশগী কঞ্চুকীগা, অঙ্গারবতী
মহারাণীনা থাজিরকপা বসুন্ধরা কৌবী বাসবদত্তাগী মপীগা
লাক্লুনা অনিমক্ সনথোংদা লৈরে।

প্রতী—আর্য্য। প্রতীহারীনা চঙব য়াব মফম্—মতম্ নত্তে।

কঞ্চু—করিগী মতিক চাব মফম মতম্ ওইত্রিবা ?

প্রতী—তাবিয়ু আর্য্য ! ঙসি ঐথোয়গী মহারাজগী সূর্য্যামুখ
শজায়দা কনাগুম্বী অমনা বীণা থোংলম্মী। মহু তাবদা
শ্রীয়ুৎনা সনা য়াথং তাকপিরম্মী—“ঘোষবতীগী মথোন্
মাল্লিদা !”

কঞ্চু—অহুদগী ?

প্রতী—মতুংদা অহুদা চংলগা হংলম্মী— "বীণা কদায়দগী ফংলুবগে ?" মানা খুম্লম্মী—"নর্ম্মদা তোর্ব্বালগী *কৃষ্ণবন্দা তারম্মী। কায়গদবা লৈরগা শ্রীযুতা কচিন্নু।" মহু পুহনা কচিন্নুবদা, মহু মতম্বাক্তা হেক্ কোঘদা শ্রীযুং রাম্বরম্মী। জ্ঞান তাররগা শ্রীযুংনা পিনা পুমচোং চোংনা হায়বিরম্মী—"নংবুদি ফংলেদো, ঘোষবতি! উথা ফংজ্রেদো মাবুদি। "আর্য্য, অহুনা তাজ্জা চাদে। করম্না হজ্জংলুগনি ?

কঞ্চ—ইবেম্মা! হঙ্গংলু! মসিহু মহুগা মরী লৈনৈ।

প্রতী—আর্য্য! হজচ্চরগে। শ্রীযুং সূর্য্যামুখ শজায়দগী লেঙ্-থরক্লেদনা। অসিদা অহুমক্ হজচ্চরগে।

কঞ্চ— ইবেম্মা! মহুমহুম্ ফরমি। (অনিমক থোকখিবা)

মিশ্র বিস্কম্ভক লোইরবা

(রাজাগা বিদূষকা চঙ্লকপা)

রাজা—তাব-ফুংশিব থোম্বোকপি। তম্মগা পুত্তাইনা।

নবেম্মগী থবাক্তা মতম্বাক্তা নহাক্না॥

তম্খিরবী বন্দালৈবী শুইরম্বিব করম্মা।

উকুল-বাহিকুল তৈরে দণ্ড চাইশিংদে চেক্লানা॥ ১॥

অসিদগী হেন্দুনা, ফুংশিহৈতবি! যৌগিবত্তি! সিংসিং-লিরোইদো নহাক্তি নবেম্মনা তৌরম্বদো—

* কৃষ্ণী বন।

ককুভ পঙ্খদা নৈহৎপা নাকন্দা,
মুঙাইনা কোহিবা য়ারগা থবাক্তা,
ভেংথা নাওইনবা ঐগা কায়নবদা,
নোক্না য়ারি শাবা খোংলিউৈ মরক্তা ॥ ২

বিদূ— হৌজিক্তি শ্রীযুৎনা অহুক্ হাক্না থব্রাই চাকৃপা তৌবিরুগনু।

রাজা—মরূপ্! মহুম্ হায়রু,
কুইনা তুমুখ্রব ঐগী কাম্ হৌদোক্পিররে বীণানা।
ঘোষবতী লুনা তৌবী রাণীবুদি উত্রে ঐনা ॥ ৩

বসন্তক! —ঘোষবতীগী অনৌব তার অমা থুংহৈবা অমবু হাপ্হল্লগা পুরকউ থুনা।

বিদূ— সনা য়াথং য়াজরি ঙ্গিগাওশানা।

(বীণা পুহনা থোক্খিবা)

(চঙ্লগা)

প্রতী—জয় শ্রীযুৎকী জয়! মহাসেন্গী মরুমদগী রভ্যসবংশগী কঞ্চুকীগা, মহারাণী অঙ্গারবতীনা থাবিরকপা বসুন্ধরা কৌবী বাসবদত্তাগী ধাত্রীগা সনথোঙদা সনা য়াথং ঙাইহনা লৈরি।

রাজা—অহুদি নবেম্মা পদ্মাবতীদা পাও 'হুক্ হায়রু।

প্রতী—সনা য়াথং তুংইঙ্গরে। (থোক্খিবা)

রাজা—অমুক্ থুনা পাও অসি মহাসেন্না খঙ্লমগত্রা?

(পদ্মাবতীগা প্রতীহারীগা চঙ্লক্পা)

প্রতী—লেঙ্শিন্ত্রিু মজাইবেম্মা, লেঙ্শিন্ত্রিু।

পদ্মা— জয় আর্য্যপুত্রগী জয়।

রাজা—পদ্মাবতি! তারবরা—মহাসেনগী মকমদগী রৈভ্যসবংশগী কঞ্চুকীগা অঙ্গারবতীনা থারকপা বসুন্ধরা কৌবী বাসবদত্তাগী মপীগা থুডওতুনা সনথোঙদা লৈরে।

পদ্মা—আর্য্যপুত্র! শাগে-নাতৈগী মঙ্গলগী ঈ-পাও তাবদা নুঙাইজে।

রাজা—চুম্মী, মত্তিক্ চায় নংনা হায়রিবসি—বাসবদত্তাগী স্বজন ঐহাক্কী মুনি। পদ্মাবতি! ফম্মু। করিগীনো হৌজিক্ ফাওবা ফমদ্রিবা?

পদ্মা—আর্য্যপুত্র! ননাইনা সনা থোগন্ তোঙ্গডো মনাইশিংদুদা দর্শন পীনবিগেরা?

রাজা—দোষ করি লৈবগে?

পদ্মা—আর্য্যপুত্রনা অমামুক লুহোংবনিদো, মখোয়না য়েংলিঙ্গমদবা য়াই।

রাজা—ঐগী নূপীগা উনব-য়াব মীদা ঐগী নূপী উনহন্দবদি দোষ য়াম্না লৈ। অতুনা ফম্মু।

পদ্মা—আর্য্যপুত্রগী সনা য়াথং ইঙ্গরে। (কম্মগা) আর্য্যপুত্র! পাবুংথোয় ইমাথোয়না করি হায়রগবা? য়াম্না থোইতাদরে।

রাজা—পদ্মাবতি! অম্নম মতৌনৈ।

করি হায়দগে হায়ব রাখল্লগী !
খোঙ্মুত্তাদরে থরায় ঐহাক্কী ॥
চেক্লুরগস্‌ ঐহাক্না কন্থিদে মচানূপীবু।
লেপ্ল নাইদব লাইবক্না মিংদা থীহল্লে ঐহাকপু।
মপা শাউহঙ্ মচাগুম্ লৈরে ঐহাক্ ইকী কিনা ॥ ৪

পদ্মা—মতম শুরবদা করিস্‌ কথা ঙম্‌দে।

প্রতী—কঞ্চুকীগা ধাত্রীগা সনখোঙ্‌দা ঙাইজরি।

রাজা—চঙ্‌হল্লকউ থুনা।

প্রতী—সনা চরণগী কৃপানি। (খোক্‌খিবা)

(কঞ্চুকী, ধাত্রী অমসুং প্রতীহারী চঙ্‌লকপা)

কঞ্চু—এঃ !

শুঙাইরে য়াম্না লাক্‌পদা　　সম্বন্ধিরাজ্য অসিদা।
শুঙাইতে'ত্রবু শিথিব　　রাজকুমারী নিংশিংবদা ॥
করিগী অসুম্ হে বিধি !　　শীল্লম্‌দবগে নহাক্না।
রাজ্য মীথুং চন্থ্রবসু　　রাণীদি তেক্ত-কায়দনা ॥ ৫

প্রতী—ঐখোয়গী মহারাজ অসিদা লৈরে, আর্য্য ! লেঙশিল্লু সনা নাক্তা।

কঞ্চু—(চঙ্‌শিল্লগা) জয় মহারাজগী জয় !

ধাত্রী—জয় ইনিংথৌগী জয় !

রাজা—(য়াম্না সম্মান তৌনা) আর্য্য !

পৃথিবীসী রাজাশিংগী কাব-কুম্ব লীব-মপু।
পাম্‌জব মরী ঐহাক্কী য়াইফরিব্রা নিংথৌত্রবু ॥ ৬

কঞ্চু—অজ্ঞা, মহারাজ মহাসেন্ মঙ্গল ওইরি। অসোয়্বদসু খ্বাইগী মঙ্গল সনাখুত্তগী হংবিরকৃই।

রাজা—(আসন্দগী হৌগৎলগা) মহাসেন মহারাজনা করি সনায়্বাথং তাক্পিরক্পগে ?

কঞ্চু—বৈদেহীগী মপারীনি হায়বা মতিক্চায়। মহাসেনগী মঙ্গল সমাচার শ্রীযুৎনা আসন্দা লেঙ্শিন্বিরগা তাবিসি।

রাজা—মহাসেনগী সনা য়াথং। (কম্নগী)

কঞ্চু—ঈশ্বরগী কৃপানা য়েরুবনা লৌখিব রাজ্যহু অমুক্ ঐখোয়গী ওইরে। মরমদি ঃ—

পোক্তবনি উৎসাহ্ থরায়-পাঙ্গল শোন্দনা।
চঙ্নবনি রাজ্লক্ষ্মী উৎসাহ লৈব মীদা॥ ৭

বাজা—আর্য্য ! পুম্নমক অসি মহাসেনগী প্রতাপ্ননি। করিনা—

হান্নদি মায়থি পীরগা মচাগুম্ ঐবু য়োক্পিখি।
কন্খিদে ঐনা মমোঙ্গু নমথুনা হেক্তা ফারক্পা॥
মচা শিখ্রে তানা খঙ্না মুংশিবিরি হান্নদোনা।
নিংথৌমক্কী মপান্ননি বৎসরাজ্য ফংবা ঐনা॥ ৮

কঞ্চু—হঙ্চরিবসি মহাসেনগী সমাচারনি। মহারাণীগী মঙ্গলদি ইবেম্ম অসিনা হঙ্চগনি।

রাজা—হায়বিয়ু ইমা !

রাণী তরাতক্কী অহন্, পুণ্যচেয়্যবী লাইগুম্নবী।
ঐনা লাক্পদা য়াহৌরবী, মঙ্গল্ ওইহৌবরা ইমাদো ? ৯

ধাত্রী—মহারাণী মঙ্গল ওইহৌই। শ্রীযুৎকী ওন্নমকী মঙ্গল হংবিরকই।

রাজা—ওন্নমক্ মঙ্গল ওইরিবনিনা ইমা! ঐখোয়স্থু ওইরিদনা!

ধাত্রী— হৌজিক্তি শ্রীযুৎনা অদুক্ হাক্লা থল্লাই শুভাইতবা তৌবিরোই।

কঞ্চু—মহারাজ! মনা পুক্লিং নেম্থবিগনি। শ্রীযুৎনা অসুক কৃপা তৌবিরবদবু মহাসেনগী মজাইবেম্মদি লৈখিদ্রবস্থু অমর ওইরে।

কনাধু কন্বা ওন্বগে মৃত্যুকাল্দা কনানা?
থোৗরী তৎলগা ওন্বগে *চক্রফাবা কনানা?
অক্সানি নিয়ম্ মীগীগা পাম্বিগীগা অস্নুন্না।
অমুক্ কণ্ডিও অমুক্ হৌই মতম ইকাই কায়দনা॥ ১০

রাজা—আর্য্য! মতম্ হায়বিনু,

ঐহাক্কী শিষ্যানি অচাৰী রাণীনি
মহাসেন্গী মচানুপী।
মহাকপু ঐহাক্লা কাউবৃ করম্না
মপোক্ অতৈদা ওম্গনি॥ ১১

ধাত্রী—মহারাণীনা তাকপি—"বাসবদত্তা লৈখিদরে। ঐখোয়গী ইচা-ইয়া ওইগে হায়দুনা মমাঙৈদা মহাকপুদি থন্থ্রবনি, অদুগা মহাসেন অমস্থং ঐনা, গোপালক অমস্থং পালকপু

* কুহাম্বী ঊশিং শোরুব চক্র।

মুংশিবগা চপ্‌মান্নবা নহাকপুস্ন মুংশিন্নিবনি। মরম অহুদগী ঐখোয়না নহাকপু উজ্জয়িনীদগী পুরক্লম্বনি; অহুগা বীণা তম্বিনবরোম্‌দা হায়জিন্নহুনা *অগ্নি সাক্ষী তৌহুনা বাসবদত্তাবু নঙোন্দা শিন্নরম্বনি। ঙাইওম্‌দব স্বভাবতগী বিবাহ তৌদ্রিঙৈদা লোম্না পুহুনা চেন্‌খ্রে। অহুবু ঐখোয়না চিত্রবোট অমদা নঙ্গীগা বাসবদত্তাগীগা ছবি য়েক্লগা বিবাহ মঙ্গল তৌথোক্লে। চিত্রবোট্‌ অহুমক্ নঙোন্দা থাখি্রবসিনি। মহু য়েংলগা শান্তি ফংবা ওইয়ু।"

রাজা—আঃ! মহারাণীনা কয়াত মতিক্ চানা অমস্নুং চান্‌বিনা সনা য়াথং তাক্‌পিবক্লিবা!

ব্রাহৈসিনা মমন্‌ হেল্লে রাজ্য ফংবা ময়াম্‌দগী।
দোষ্‌ লৈরবস্নু ঐহাক্‌পু মুংশিবিবদি কাউবিদে॥ ১২

পদ্মা—আর্য্যপুত্র! চিত্রবোট্টা য়াওরিব গুরুজনশিংবু দর্শন তৌরগা খুরুম্‌জনিঙিও।

ধাত্রী—সনা মিৎয়েং তাবিসি, মজাইবেম্মা! সনা মিৎয়েং তাবিসি,

(চিত্রবোট য়েংবা)

পদ্মা—(য়েংলগা মথন্তদা) এঃ হাইমা! করিনোসিদে! ছবি অসিদি আর্য্যা আবন্তিকাগা মান্নখ্রেদা। (ফোংনা) আর্য্যপুত্র! ছবি অসিবু আর্য্যামক মান্‌বরা?

রাজা—মান্‌বত নত্তে। মহাক্‌মক্‌ ওইরবোই নিংলে। ওহ্মোক্‌পনিদা!

* বিবাহ।

কুচু নিংথিবৈ করম্না　　বিপদ্ তম্থিব থোক্খিবা ?
খোয়্থুম্নববু মায়্থোঙ্গী　মাঙ্হন্খিবা করম্ মৈনা ?　১৩

পদ্মা—আর্য্যপুত্রগী চিত্র য়েংলগা মসি আর্য্যা মাল্লি-মান্দে হায়বা খল্লনি !

ধাত্রী—সনামিৎয়েং ভাবিয়ু মজাইবেম্মা ! মিৎয়েং ভাবিয়ু।

পদ্মা—(য়েংলগা) আর্য্যপুত্রগা চিত্রগা চপ্মান্নবনিনা মাসিস্থু আর্য্যাগা মান্নে হায়বা খঙ্লে।

রাজা—দেবি ! চিত্র য়েংবদগী নথল্লাই হল্লাও-হল্লাও অমস্থং ভয়াং-তশোইনা উরিবসি করিননো ?

পদ্মা—আর্য্যপুত্র ! চিত্র অসিগা চপ্মান্নবা অমা অসিদা লৈ।

রাজা—করি ! বাসবদত্তাগী — ?

পদ্মা—অজ্জা !

রাজা—অত্তুদি থুনা পুবকউ।

পদ্মা—আর্য্যপুত্র ! ঐনা কুমারী ওইরিঙৈদা, ব্রাহ্মণ অমনা 'ঐগী ইচল্লি' হায়দুনা ঐঙোন্দা শিন্নদুনা থম্মম্মী। মহাক্তি পতিব্রতানি ; নিপা অতৈগা উনদে। অদুনা মহাক্কা ননাই ঐগা লাক্মিন্নরিঙৈদা সনামিৎয়েং ভাবিহৌরবদি মশক্ খঙ্বিগনি।

রাজা-

মচন্ ওইরব্দি ব্রাহ্মণ্গী ওইরম্গনি অতৈ অমা।
অমগামগ খায়্মল্লা শক্মান্নবা উনৈ কয়া ॥ ১৪

(চঙ্লগা)

প্রতী—ইনিংথৌগী জয় ! উজ্জয়িনীগী ব্রাহ্মণ অমা লাক্লগা হায়ররে—"রাণীগী মথুক্তা মচন্ শিল্লহুনা থনম্মী" । মহাক্পু লোগে হায়হুনা সনথোঙ্দা ভাইহৌরী ।

রাজা—পদ্মাবতি ! ব্রাহ্মণ অদুনা হায়রিবসি ?

পদ্মা—ওইরম্বা য়াই ।

রাজা—লৈমাকোন্গী হৌনবী ব্যবহার কায়হন্দনা ব্রাহ্মণবু থুনা মনুংদা পুশিল্লকউ ।

প্রতী—সনায়াথং ইপ্পরি । (থোক্খিবা)

রাজা—পদ্মাবতি ! নংসু মহাক্পু পুরকউ ।

পদ্মা—আর্য্যপুত্রগী সনায়াথং । (থোক্খিবা)

(যৌগন্ধরায়ণগা প্রতীহারীগা চঙ্লক্পা)

যৌগ—আ ! (মথক্তদা)

ফনবগী মহারাজগী মহারাণীবু লোৎলগা ।
মসি তৌখি ইনীঙ্ তৌনা ঐনা ফবনি থন্দুনা ॥
ঐঙোন্দা করি রাজানা হায়্গনি মতু থন্দুনা ।
পুক্নিংদা চিংনরে য়াম্না য়াল্লবসু থবক্ মহে ॥ ১৫

প্রতী—মহারাজ অসিদা লৈরে । আর্য্য ! সনানাক্তা চঙ্বিসি ।

যৌগন্ধ—(চঙ্শিল্লগা) জয় মহারাজগী জয় !

রাজা—মমাঙৈদা তাখিব স্বর মাল্লিদা । হে ব্রাহ্মণ ! মহাশয়না নচন্ ইবেম্মবু পদ্মাবতীদা শিল্লহুনা থম্বিরম্বরা ?

যৌগন্ধ—অজ্ঞা।

রাজা—অহুদি মহাক্তী মচন্ থুনা পুরকউ।

প্রতী—সনা য়াথং ফিগাও শাজরি। (থোকখিবা)

(পদ্মাবতী, আবন্তিকা, প্রতীহারী চঙ্লকৃপা)

পদ্মা—লেঙ্বিরকউ আর্য্যা! সুঙাইব পাউ অমা পীজগে।

আবন্তি—করিনো করিনো?

পদ্মা—আর্য্যাগী নবুং লেঙ্লক্লে।

আবন্তি—লাইবক কৈদা, মহাক্লা ঙসিদি ঐবু নিংশিংবিরে।

রাজা—পদ্মাবতি! মহাকৃপু হন্দোকৃপিখো। শিন্নরম্ব পোক্তি সাক্ষী মমাঙ্দা হন্দোক্লবনি। অহুনদি আর্য্য রৈভ্য অমসুং ভদ্রমহিলা অস্লিনা সাক্ষী ওইব তারে।

পদ্মা—আর্য্য। আর্য্যাবু লৌশিন্বিরো।

ধাত্রী—(আবন্তিকাবু মুল্লা য়েংলগা) আঃ! মজাইবেম্মা বাসবদত্তানিনা'সিদে!

রাজা—করিবো? মহাসেনগী মজাইবেম্মরা? ঐগী দেবি! পদ্মাবতীগা লোয়ননা মন্নুংদা চঙ্লকৃউ।

যৌগন্ধ—য়াদে, য়াদে, মন্নুংদা চঙ্বা য়াদে। মহাক্তি ঐগী ইচম্মক্লি।

রাজা—করি রানো হায়বিরিবসিবো? মহাক্তি মহাসেনগী মচা নূপীমক্লি।

যৌগন্ধ—মহারাজ!

ভারত বংশদা পোক্লব মশাবু থুহুম্ চক্লব
লৌশিংশিংব মবক শেংব রাজধর্ম্ম থক উত্থব,
হৌনদে নংনা নমত্থুনা ফাবা

রাজা—করে, করে। মশক্ মাক্লবরা য়েঙউসি। কোকথুমফী-
ছাইদোকউ।

যৌগন্ধ—ঐখোয়গী মহারাজগী জয়

বাস —জয় আর্য্যপুত্রগী জয়।

রাজা —কয়াত উক্লবা! মসিনা যৌগন্ধরায়ণনিদনা! অমসিনা
মহাসেন পুত্রীনিদনা!

তাইবংলা মঙ্গলা অহুবু, অরবাস এনা থাবু।
অসুম্না উথি হাম্নহ্নু, লৌমন্নশিম মহ্নদহ্নু ॥১৭॥

যৌগন্ধ—ইনিংথৌ! দেবীবু লোচ্চরক্লবদগী অপরাধ-রেপ্পা লঙ্জরে
ননাইনা। অদুনা, প্রভু! ননাইবু ক্ষমা তৌবিগনি।

(অসি হায়রগা চরন্দা তুবা)

রাজা—(কোন্থৎলগা) নহাক থাক্লেশংব যৌগন্ধরায়ণমক্তি।
অঙাওব শাশিন্নহুনা যদ্ধ-নচিংব তৌহুনা।
শাস্ত্র-মন্ত্রণা পীহুনা অস্নুম নক্লী যতন্না
ঈরাক্লবব ঐখোয়ধু কম্বিরবনি নহাক্লা ॥ ১৮

যৌগন্ধ—ননাই ঐখোয়দি ইনিংথৌগী ভাগ্য মপান্ তাংজবতনি।

পদ্মা—করেদা! আর্য্যা অহু শোয়দরেদনা। আর্য্যা! মরূপ
মপাঙ্গুম্ খন্দুনা মর্য্যাদা বেত্তার কয়া কৌয়খরে। মহুগীদমক
ইকোক নোক্লা ক্ষমা নিজরি।

বাস—(পদ্মাবতীবু কোম্লবলগা) হৌগৎলো হৌগৎলো, মধুডো-থানদবি! হৌগৎলো। অনীবগা মরী লৈনরুব দেহ-অসিনা লাখনি।

পদ্মা—ঐবু চাথিয়ে।

রাজ—চায়ব মন্ত্রপ! যৌগন্ধরায়ণ! করি খুদ্ধি তৌবদগী নংনা দেবীবু লোৎলুরিবা?

যৌগ—কৌশাম্বীত কনুগে তৌজবদগীনি।

রাজ—অদুদি পদ্মাবতীগী মপুত্তা শিন্নবগী মরমদি?

যৌগ—পুষ্পকভদ্র-নচিংব জ্যোতিষীশিংনা ইনিংথৌগী রাণী ওইগনি হায়রিথি।

রাজ—রারম্ অসি রুমথান খঙবরা?

যৌগ—ইনিংথৌ! খঙবিদ্রবা খঙিও।

রাজ—এঃ! করাত অমুক্কনসিংদন্য রামদাননো!

যৌগ—ইনিংথৌ! করে অদুদি, রাণীগী মঙ্গল সমাচার হঙংলুনবগী আর্য্য রৈভ্যগা মাননীয়া বসুন্ধরাগা ওসিমক্ হলহনখরসি।

রাজ—য়াদে, য়াদে। দেবী পদ্মাবতীসু য়াওনা ঐখোয় পুন্নমক চংকনি।

যৌগ—ইনিংথৌগী সনা য়াথং য়াজরি কীগাও শানা।

ভরতকী য়াথং

হিমালয়-বিন্ধ্য-কুণ্ডল-থোম্ব,
পৃথ্বীপুম্বম্ব সাগর য়োৎব,
মরুম্দা ছত্র অমত্তগী,
রাজ্‌সিংহনা ঙাক্লম্ ঐখোয়গী ॥ ১৯

(ঙম্মক থোক্খিবা)

তরুকপুব অঙ্ক লোইরবা

*** স্বপ্নবাসবদত্তম্ লোইরবা ***

ওঁ তৎসৎ-শ্রীকৃষ্ণার্পণমস্তু।
ওঁ শান্তি। শান্তি।। শান্তি।।।
রত্নাকর রসরন্ধ্রেন্দু খৃষ্টাব্দস্য
গ্রহমাসস্যাগ্নিদৃক্ দিবসে
সৌম্যবাসরে সমাপ্তমিদম্ নাটকম্।

পারিশিষ্ট।

(ক) নাটক অসিগী সংক্ষিপ্তবিবরণ।

মখাক্কী মখাঃ—বাজাউদয়নগী মহাশত্রু আরুণীনা বৎসরাজ্যগী অংশ অমা লৌশিন্থরে। যৌগন্ধরায়ণ কৌব উদয়নগী কূটনীতি খঙব মন্ত্রীনা মতু অমুক হন্না লৌশিন্নবগীদমক মগধরাজগা মরূপ শান্ন-নবগী কন্না হোৎনরম্মী। মহাক্না রাখন অসুম্ তৌরম্মী—মগধরাজগী মচন্ বাজকুমারী পদ্মাবতীগা রাজা উদয়নগা হিবাহ তৌরবদি মহাক্কী থবক মহৈ য়ান্গনি। অহৈ-অশিংনসু—পদ্মাবতী রাজা উদয়নগী বাণী ওইনি হায়না তাকপিরম্মী। মসিদা বিম্ন ওইরিবদি বাজা মহাসেনগী মজাইবেম্মা বাসবদত্তাদা রাজা উদয়নগী প্রাণ লুপ্তুনা লৈবসিনি। অদুম্কপু যৌগন্ধরায়ণনা পরিকল্পনা (plan) অমি বাসবদত্তাদা হায়দোক্লম্মী ; মহাক্কী অনুমতি লৌতুনা অনৌব উপায় অমা মহাক্না পুথোক্লম্মী। মতম অদুদা বাজা উদয়ন অমসুং বাসবদত্তা লাবাণক কৌব গ্রামদা লৈরম্মী। রাজানা নুমিৎ খরনিগী মৃগয়া লেঙ্খিদৈদা যৌগন্ধরায়ণনা লাবাণকী রাজপ্রসাদ (য়াকোনসুং) মৈ থাদোক্লম্মী, অদুগা বাসবদত্তা মৈনা চাক্খ্রে অমসুং মহাক কন্নবগী হোৎনবদা যৌগন্ধরায়ণসু মৈনুংদা প্রাণ থাথরে হায়না থোক্হল্লম্মী। অদুদগী যৌগন্ধরায়ণনা সন্ন্যাসীগী বেম শেত্তুনা বাসবদত্তাগা লোয়ননা লোন্না মগধদেশদা লৈব আশ্রম তান্না চৎখিরম্মী। তান্না চাক্লবনা পদ্মাবতীসু মমা উনবা আশ্রম অদুদা লাক্লম্মী। মসিদগী নাটক অসি চপ্ চানা হৌরে।

অহাম অঙ্ক

রাজগৃহ মনাক্কী আশ্রম মক্তুঙ্গী লম্বীদা।

সারাংশ :—বাসবদত্তাগা যৌগন্ধরায়ণগা আশ্রমদা চঙখিবদা পদ্মাবতীগা থেংনরম্মী। কঞ্চুকীগী মচিন্দগী রাজকুমারী পদ্মাবতীগী দান ধর্ম্ম তৌবগী রা তাবদা যৌগন্ধরায়ণ প্রার্থী অমা ওইরম্মী। পদ্মাবতীনা যৌগন্ধরায়ণগী মচন্ শাবী বাসবদত্তাবু থম্‌গে য়াখি। মতম অদুদা ব্রহ্মচারী অমা থুঙওহুনা লাবাণক্কা থোকৃখিব রারম পূম্নমক্ তম্মবদা যৌগন্ধরায়ণ অমসুং বাসবদত্তা অনিমক হয়াওরম্মী। যৌগন্ধরায়ণ পদ্মাবতীদগী বিদায় লৌরম্মী।

অনিশুব অঙ্ক

রাজগৃহ-কোংগুঙ্গী লৈকোল।

সারাংশ :—থা অমগী মতুংদা বাসবদত্তানা ফাগীফারাং ওইনা পদ্মাবতীদা "মহাসেনগী মমৌও" কৌরম্মী। পদ্মাবতীনস্থু উদয়নবু পাম্মম্মী। ধাত্রীনা—রাজা দর্শকনা উদয়নদা মচন্ থাজখরে—হায়না পদ্মাবতীদা হায়রম্মী। সুমিৎ [illegible] শুভদিন ওইবনা পদ্মাবতী লুহোংবা তারম্মী। অদুদা বাসবদত্তা মরাইবক থীবলিপ্পী-দমক থুক্কাইরম্মে।

অহুমশুব অঙ্ক

কোন্নুং মন্নুঙ্গী লৈকোল্

সারাংশ ঃ— বাসবদত্তা মথৱাই মুণ্ডাইতনা প্রমোদবন্দা লৈরিঙৈদা দাসীনা নবদম্পতীগী মঙ্গল মালা লেংনবা হায়রম্মী। মহাক্না সপত্নীমর্দন কৌব উনা ছন্দোক্তুনা অবিধবাকরণ কৌবা উনা য়াম্না হাপ্তুনা লৈপরেং লেংলম্মী। আবন্তিকানা (বাসবদত্তানা) পরেং দাসীদা পীরগা অচীক্পদা মথৱাই মুণ্ডাইতবা কোক্লবা লাক্লম্মী।

মরিশুব অঙ্ক

কোন্নুং মন্নুঙ্গী শরুক অমা অমস্নুং প্রমোদবন।

সারাংশ ঃ—পদ্মাবতীগা বাসবদত্তাগা দাসীগা য়াওনা প্রমোদ বন্দা রারী 'শারিঙৈদা উদয়নগা বসন্তকগা মফম অহুমক্তদা লাক্লম্মী। আবন্তিকা লোত্তুনা থম্বরৈদমক মথোয়না মাধবীলতা মণ্ডপ্তা লোম্না উদয়ন—বসন্তক অনিগী ৱারি শান্না তারম্মী। পদ্মাবতীগী রূপ্‌গুণ লৈরবস্তু বাসবদত্তাগী স্মৃতি অচু রাজানা কাউবা ওমদে হায়রম্মী। বাসবদত্তা হরাওরম্মী অদুগা পদ্মাবতীনা রাজাগী মপুক্‌চেল শেংবগী থাগৎলম্মী। বসন্তকনা ঈশিং লৌথি ৈদা বাসবদত্তা চংথিরম্মী। পদ্মাবতীনা উদয়ন মনাক্তা

চংখিবদা বসন্তক মুংশাথিনা অমরোমদা পুথোক্লুনা বাণীদা হায়রম্মী। পদ্মাবতীনা হংবদা রাজা খুদোং চাদবদা তাবদা বসন্তকনা উদয়নবু রাজা দর্শকী দরবারদা মরূপ মপাং উননবগী থৌরাং তৌহন্খি।

মঙাশুব অঙ্ক

লৈমকোন্গী শরুক অমা অতুগা সমুদ্রগৃহক।

প্রবেশক ঃ—পদ্মাবতী নাবা অমস্থং বসন্তকনা রাজাদা পাও তাক্পা।

উদয়ন্না বসন্তকগা লোয়ননা সমুদ্রগৃহকদা চংলম্মী। পদ্মাবতী লৈরমদবদা রাজানা শয্যাদা চেপ্তুনা ওাইবদগী মুওাইনা নয়ন য়াওনা চেপ্লম্মী। বসন্তক চংখ্রিদৈদা বাসবদত্তা লাক্লম্মী। মৈ মশেন্-মরাং তৌবদা রাজানি হায়বা খওদবদগী রাজাগী ময়াদা ছিপ্থরম্মী। রাজানা মমঙদা বাসবদত্তাবু কৌরম্মী। মতুদা বাসবদত্তানা মঙ মঙলিব রাজাগা রারি শারম্মী। বাসবদত্তানা নিংথৌগী মখুৎ থাঙংলম্নগা থোক্খিবদা রাজানা মিকপ্ থোরক্লুনা মহাকপু তাম্নগে হোৎনরম্মী। বসন্তকনা ভুল নম্লগা মঙনি হায়দুনা থেম্জিল্লম্মী। অতুবু উদয়ন থাজদনা লৈরিদৈদা মন্ত্রী রুমণ্বান্না তেজোন ময়াম্ পুন্না আরুনী হাৎনবা খুওওরে হায়দুনা কক্কীনা হায়রম্মী। নিংথৌমু খুদক অতুদা লান য়াওরম্মী।

তরুকশুব অঙ্ক

কৌশাম্বী রাজধানী

সুমিৎ থরনি লৈরগাঃ—বৎসরাজ্য ফংলে। বাজানা ইখং খংহৌদনা বীণা মখোন্ সুর্য্যামুখ শঙ্গাইদা তাবদা বাসবদত্তাবু নিং-শিংলক্পদা য়াম্না খোয়রাংলম্মী। মতম অসিদা বৈভ্যবংশগী কঞ্চুকী অমসুং মহারাণী অঙ্গারবতীনা থাবকপা ধাত্রী লাক্তুনা বাজাদা—বৎসরাজ্য ফংবদা মহাসেন্না সুডাইবগী পাউ তম্লম্মী অদুগা উদয়ন অমসুং বাসবদত্তা অনিমক্কী ধর্ম্মশাস্ত্র মতুংইন্না বিবাহ তৌখিবগী মহারাণীনা পীরকপা চিত্র পীবম্মী। পদ্মাবতীনা চিত্র অদু যেংবদা আবন্তিকাগা চপ্‌মান্নব ছবি উবদা আবন্তিকাবু কৌরম্মী। থুদক্ অদুমক্তদা যৌগন্ধরায়ণ লাক্তুনা মহাক্কী মচন পীবিনবা হায়বম্মী। যৌগন্ধরায়ণনা বাসবদত্তা লোত্তুনা থম্বগী অমসুং লাবাণক্তা শিখ্রে হায়বগী ওইদব তোকৃডা অদুগী রহস্য অদু শেংনা হায়দোকপদা থ্বাই পুম্নমক্ ঙক্লরম্মী। রাজানা যৌগন্ধরায়ণগী থবক অদু য়ারম্মী অমসুং তৌবিমন্ উৎলম্মী। পদ্মাবতীনা বাসবদত্তাদা ক্ষমা তৌবিনবা হায়জরম্মী। থ্বাই পুম্নমক সুডাইনা মিঙ্গন ওইখি।

(খ) সংস্কৃত নাট্যগী সন্ধি মঙা।

(Junctures of the plot)

বিষয় অমা পাঙথোক্লবগীদমক তোঙান্ তোঙাম্ব ৱাঙাং ময়াম অদু অমগামগা বিষয় অমত্তদুমক্কী সম্বন্ধ লৈনববু সন্ধি কৌই। সন্ধি অসি মখল্ মঙাশুই; "নাটকং খ্যাতবৃত্তং স্যাৎ পঞ্চসন্ধি সমন্বিতম্" সাঃ দর্পন। মদুদি ঃ—মুখ, প্রতিমুখ, গর্ভ, বিমর্শ (অবমর্শ) অমসুং নির্বহণ (উপসংহৃতি)।

মুখসন্ধি – নাট্য-বীজ থোক্‌ফম, মখল্ মখা অয়াম্ব-নাটক্কী থৌথোক অমসুং রসগী অহাম্ব থোরক্‌ফম্ অমদি ফোংদোকফম্ অদুবু মুখ সন্ধি কৌই। মসিদগী plot অদু মথং মথং চথরকই। স্বপ্ননাটকম্‌গী মুখসন্ধিদি ৱাণী বাসবদত্তাবু পদ্মাবতীদা শিন্নরম্বদগী হৌরে। বীজদি যৌগন্ধরায়ণগী ৱাহৈ অদুনি "ঐ প্রার্থী অমনি"। ৱাঙাং অসিদগী plot অসি মথং মথং চথরক্লে।

প্রতিমুখ ঃ—অসুম্ মথং মথং চথরকপসিনা plot অদুগী মূল উদ্দেশ্য পাংথোক্লবা মুখসন্ধিদা তাকই। 'মুখ' দা থাখিব বীজ অদুগী অংশ অমদা খজিক্তং ময়োল চোংলগা অমুক্ উবা অদুগা করি করিগুম্বদা মাঙখিবগুম্ তৌববু প্রতিমুখ কৌই।

অনিশুব, অহুমশুব, অমসুং মরিশুব অঙ্কশিং প্রতিমুখ সন্ধিনি। বাসবদত্তা অসি ৱাজা উদয়নদা লুহোংব পদ্মাবতীগা য়াম্না তিন্ন-খোৎনদুনা লৈমিন্নৈ; নায়ক-নায়িকা মিলন ওইননবগী অবস্থা-ময়াম্ হায়রি।

গৰ্ভসন্ধি ঃ— মহৈগী উপায় মপুং ওইৰিব ময়োন্ চোংৰ বীজ অদু থোইদোক্লা মকাবাম্না উথোৱকই ; অদুৰু মহৈ য়ান্গনি য়াল্লোই হায়বদি চিংনবি। মদু অমুক্লা অবস্থা চানদৰগী মরায় চায়থৰক্পা অমম্নুং অমুক্ থিদুনা হুমদুনা ঈবোইনব ফিভম্ তানবা হোংনবদুবু 'গৰ্ভ' সন্ধি কৌই।

'স্বপ্ন' দা নায়ক-নায়িকা ঙাইহাক্তঙ্গীদমক সমুদ্রগৃহকদা উনৰে। বাসবদত্তানা শোক্পদা বাজা মিকপ্ থোক্তুনা মহাক্পু কাগে হোংনৰম্মী "ঙাইখো ঙাইখো" হায়ৰম্মী। মসিদা গৰ্ভসন্ধি লোইৰে।

বিমৰ্শসন্ধি ঃ—গৰ্ভদগী অমুক্ হেন্না মকা ফন্দোবক্লব বীজগী-দমক শাপ-নচিংব অপম্বনা কৃপ্তুনা থম্ব অবস্থাদুবু 'বিমৰ্শ' সন্ধি কৌই। সমুদ্রগৃহকদগী মপান্ থোক্খিব বাসবদত্তাগী মতুং ইনগে হায়দুনা রাজানা শুন্দা হোংনব অদুদগী বিমৰ্শ সন্ধি হৌবে। বাসবদত্তানা স্বাই মাঙখিবদুনা plot কী অৰোইব উদ্দেশ্য অদু য়াম্না থুনা ফংননবদা মবায় চায়হল্লি। বিমৰ্শনা সন্ধি মঙাগী মরক্তগী খ্ৱাইদগী হেন্না শাঙিঙ। নায়ক্ নায়িকাগী বিরহ বৰ্ণন তোই। 'স্বপ্ন' দা বাসবদত্তাগী চিত্র উদয়ন্দা উৎপা মতাং অদু ফাওবা য়োই। ৬শুব অঙ্কগী "চিত্রবোট্ অদু নঙোন্দা থাখিবনি। মদু য়েংলগা শান্তি ফংবা ওইয়ু।"

নিৰ্বহণ অমদি উপসংহৃতি ঃ—মথক্কী সন্ধি মরিদা মখল মখা অয়াম্ব মওংদা মকারাম্খিব বীজ য়াওব বিষয়শিংদু পুন্সিল্লক্তুনা

মচিন্ অমত্তা ওইরক্পা অবস্থা অত্থু নির্বহণ কৌই। মসিদা বীজ অত্থু মহৈ ওল্লকই, মাগী মতেং ওইরক্পা ময়োম্ চোংবা, মনা পাল্লকপা, মপান শাৎপা, পাম্বীগী মশা-মরেং-মনা-মপান্-নচিংব মহৈ য়ান্দুনা মুখ্য অর্থ অমত্তমক্ উৎলি। Final object কংননবগী বিম্বি পুম্নমক নির্বহণদা লৈহন্দে; নায়ক-নায়িকাগী happy union ওই। পদ্মাবতীনা চিত্র য়েংলগা উদয়ন্দা চিত্রগা আবন্তিকাগা য়াম্না শকমান্নে হায়ব অত্থুদগী উপসংহৃতি হোরে। "ছবি অসিদি আর্য্যা আবন্তিকাগা মান্নখে্দা।" যৌগন্ধরায়ণ অমস্থুং বাসবদত্তাগী মশক্ উৎপা অত্থুদা নির্বহণ সন্ধি লোইরে। অত্থুদগী "ভরতকী য়াথং" দা লোইশিল্লে। ভরতকী য়াথং অসি 'প্রশস্তি' কৌবা নির্বহণগী অঙ্গ অমনি।

(গ) সংস্কৃত ছন্দ

Rhythm

পাদ মরিনা পদ্য (শ্লোক) শাই। পাদ খুদিংদা মশিং অকক্নব অক্ষর (Syllables) অমস্থুং মাত্রা (measures) লৈ। অক্ষরনা শাবব্না বৃত্ত অত্থুগা মাত্রানা শাবব্না জাতি কৌই। বৃত্ত মথল অহুম্ ওই—সম, অর্দ্ধসম, বিষম। পাদ খুদিঙ্গী অক্ষর মশিং মান্নরবদি সমবৃত্ত কৌই। তধাই তধাই মান্নরগা অর্দ্ধসম বৃত্ত কৌই। হ্রস্ব-দীর্ঘ স্বরগী মতুংইন্না অক্ষরগী

লঘু (অয়াংবা), অমসুং গুরু (অরুবা) শৈগে। অনুস্বার-বিসর্গ দীর্ঘস্বর তপা, তপাব ময়েকী হেক্ থংনবা ময়াংথংবা ময়েক অহুগা পাদগী অরোইবা হ্রস্ব স্বর তপ মসুক বিকল্পদা গুরু (অরুবা) ওই। "সানুস্বারশ্চদীর্ঘশ্চ বিসর্গীচ গুরুর্ভবেৎ। বর্ণসংযোগ পূর্বশ্চ তথা পাদান্তগোহপিবা॥"

অক্ষর অহুম অহুমা গণ অমমম শাই। গণ তরানি। মদুদি :—

মকোক্ ময়ায় অরোইবদা য র ত মা অয়াংবনি।

ভ জ স না অরুবনি, ম ন না, অরুম্-অয়াংবনি॥

গা গা ল গা মথংশিংনা অরুবনি অয়াংবনি॥

য = ০ — —	ম = — — —	গণ তরা অসিনি
র = — ০ —	ন = ০ ০ ০	গ = গুরু = অরুবা
ত = — — ০	গ = —	ল = লঘু = অয়াংবা
ভ = — ০ ০	ল = ০	
জ = ০ — ০		
স = ০ ০ —		

১। অনুষ্টুপ :—অক্ষর ৮ না শাব পাদ মরিনি। মসি সাহিত্য নিংথমক্তা অসি সাধারণ ওইনা চংনবদি বক্তু অমদি শ্লোক কৌই। মতুদি—

তরানাজা অরুবনি অহুমগুব অয়াংবনি

অনি-মরি গুব পাদ তরেৎগুব অয়াংবনি।

অতৈ অতৈ ওয়মক্তা অরুব ডাক্ত ওইগনি॥

"শ্লোকে ষষ্ঠং গুরুজ্ঞেয়ং সর্বত্রলঘুপঞ্চমম্।
দ্বিচতুঃ পাদয়োর্হ্রস্বং সপ্তমং দীর্ঘমন্যয়োঃ ॥"

(ক) মণিমালা = ত য ত য

(খ) ইন্দ্রবংশ = ত ত জ র

(গ) জলধবমালা = ম ভ স ম

৩। বৈশ্বদেবী = ম ম য য

৪। বিদ্যুন্মালা = ম ম গ গ

৫। শালিনী = ম ত ত গ গ

৬। বসন্ততিলক = ত ভ জ জ গগ
১নৃব অঙ্কগী শ্লোক ১৩ শুব শালিনী অমসুং বসন্ত তিলক যান্নবনি।

৭। ত্রিষ্টুভ— গন অবেপ্পা লৈতে অক্ষর ১২ না শাই। (গীতাগী অঃ ২গী শ্লোক ৬কী ১ নৃবা লাইন্) অদুগা ৪ শুব অঙ্কগী শ্লোক ৩ শুবা।

৮। গায়ত্রী—অক্ষর ৮গী পাদ অহুম্গী শ্লোক অদুগা গণগী অরেপ্পা লৈতে।—৫ শুব অঙ্কগী ৩ শুব শ্লোক।

৯। দীর্ঘ ত্রিপদী বাঙ্গালাগী ছন্দ অমনি। অক্ষর ৮। ৮। ১০ না শাই, নিপান/নিপানগী মমৈ তাবা মাম্লৈ অদুগা ১০ গী মমৈ অদু হেক থংনব মথাগী ১০ গী মমৈ থংবগা মাম্লৈ।

১০। **লঘুত্রিপদী**—মসিস্থু বাঙ্গালা ছন্দ অমনি। মসি অক্ষর ৬।৬।৮ না শাই ; ৬।৬ কী মমৈ তাবা মান্নৈ অহুগা অহাম্ব ৮ গী মমৈগা হেক্ থংনবা ৮ গীগা মমৈ তাবা মান্নৈ।

১১ **যুগ্মকম্**--শ্লোক অনি তিন্নরগা সমাপিকা ক্রিয়া (Finite verb) অমত্তা ওইরবদি যুগ্মক কৌই। শ্লোক অহুম্ তিল্লগানা 'বিশেষক' শ্লোক মরি তিল্লগনা 'কলাপক' অহুগা অহুদগী হেল্লগনা 'কুলক' কৌই। (সাঃ দর্পণে ৬।২৮৮)

ছন্দ-বিবরণ

ছন্দ মমিং	অঙ্ক	শ্লোক
মণিমালা, জলধরমালা, ইন্দ্রবংশ	১	১
ত্রিষ্টুপ্	১	৫
	১	১৩ (ক)
	৪	৩
বৈশ্বদেবী	১	৯
অনুষ্টুপ্	১	১০
	১	১২ (খ)
	৪	৫, ৭
	৫	৮, ১১, ১২, ১৪, ১৫

ছন্দ মমিং	অঙ্ক	শ্লোক
বসন্ততিলক, লোলা	১	১১
বসন্ত তিলক	১	১৩ (খ)
ত্রিপদী	১	১২ (ক)
	৫	৩
লঘু ত্রিপদী	৫	৪
বিদ্যুন্মালা	১	১৪
	৫	৬, ৭

(ঘ) অলঙ্কার

১। অর্থান্তরন্যাস— সামান্যনা (general) বিশেষবু (particular) অমদি বিশেষনা সামান্য সমর্থন তৌবা অমসুং থবক্না (effect) কারণবু (cause) নত্রগা কারণনা থবকপু সমর্থন তৌবদা 'অর্থান্তরন্যাস' অলঙ্কার ওই। মখুদি :—

অহান্ব অঙ্কগী ৪ শুবা শ্লোকী অরোইব পরেং অনি :—

'চৎলি মতম খোঙলৈ ইন্না অন্না-মুণ্ডাইব-পরেংনা।
টরু উরু লৈবগুম্না কাখোঙ্গী মশা পরেংনা॥"

মসিদা—'কাখোঙ্গী মশা পরেংনা উরু উরু লৈবগুম্না' হায়বা বিশেষ (particular) অসিনা—'অন্না-মুণ্ডাইব-পরেংনা…চৎলি…হায়বা সামান্য (general) অসিবু সমর্থন (support) তৌরে ; অদুনা—অর্থান্তরন্যাস নি।

মসি 'উপমা' অলঙ্কার মুনি।

১। উপমা—অথওব পোং অমগা থরা মাংনা থওব পোং অক্তেগা তুলনা তৌদুনা থওনব পোংথকী অথক লেমবু উপমা-অলঙ্কার কৌই। মসিগী অঙ্গ মরিনি :—উপমান, উপমেয়, সাধারণ ধর্ম অমসুং মামবগী চাংদমনব থওনব শব্দ। মথক্তী উদাহরণ অসিনা :—

উপমেয় উপমান . সাধারণ-ধর্ম মান্নবগী মায়

অরা-মুঙাইবা কাখোং মশা মথং মথং চংগা ওন্না।

অসিগুম্বজাংসি পূর্ণোপমা কৌই।

অর্থান্তরন্যাসগী খুদম্ অমা—১'ন্ব অঙ্ক ১১ শুব শ্লোক।

'পদ্মাবতী নিংথৌগী মাগী ওইগনি হায়রব থাজবদগী' কারণ (cause) না 'ঐনা অদুম্ তৌবনি'—কার্য্য (effect) সমর্থন তৌরে। অদুগা অমুক—'পাজিগী মাহে থাইবা লৌনমব অমি লাম্বোক্তুনা মিথিনা চৎপিরোই' —হায়বা সামান্য অসিনা নিংথৌগী মাগী ওইরকপগী থাজবা—বিশেষ অসিবু সমর্থন তৌই।

৩। কাব্যলিঙ্গ—করিগুম্ব পদ অমদি বাক্যগী অর্থ ব্যঞ্জনানা (by implication) হায়গদৌরিব বিষয়গী মরম্নি হায়না লৌনব মতমদা কাব্যলিঙ্গ অলঙ্কার ওই। মরম অদুদি implicative or suggestive ওইগনি। direct কারণ হায়রবদি চমৎকারিত্ব লৌতবনা কাব্যলিঙ্গ ওইরোই। কারণ অদুদি হায়রিব পদ অমদি বাক্যগী মতুংদা লৈবাদে হায়না

উৎকনি। মহুদি :—অহাম্ব অক্ষগী ৯ শুব শ্লোক—'পুক্চেল্ তপ্পা, জ্ঞান্-ধর্ম্ম চেৎনা'—'ইচন্গী প্রমচৎ ঙাকপা গুম্বগী'—কারণ ওইনা উৎলে। (implied) অহুনা কাব্যলিঙ্গনি। শ্লোক ১। ১৫ শুবসু-কাব্যলিঙ্গনি। অহুগা ৪। ৩ শ্লোক্নি।

৪। স্বভাবোক্তি—করিগুম্ব পোৎ অমগী রূপ-গুণ নচিংবা কুপ্পা, মতিকচানা অমদি চমৎকার ওইনা বর্ণন তৌববু 'স্বভাবোক্তি' কৌই। মহুদি :—

অহাম্ব অক্ষগী ১১ (ক) শ্লোক :—তপোবনগী রূপ গুণ বর্ণন তৌরি—অহুনা স্বভাবোক্তিনি। অহুগা মরাম্ব অসিনা 'তপোবন' ওইরম্গনি হায়বগী suggestion পীরি : অহুনা কাব্যলিঙ্গসুনি। শ্লোক অসিদা···সমাপ্ত পুনরাবর্ত্ত দোষ (লোইখ্রব অমুক হন্না হাম্বব দোষ) লৈ। 'শোয়ত্রে তপোবন্নি'—হায়রবা মতুংদা 'মৈখু খুরি অয়াম্বদা' হায়বনা বাক্য সমাপ্ত ওইরগা অমুক হন্না হায়। অদুবু গণপতি শাস্ত্রিনা অমরোমদা ব্যাখ্যা তৌই—'অতৈ ম্বরম্ অমমুক ওইরবসু নিশ্চয় ওইবহু re-affirmed তৌবনি', হায়। —শ্লোক ১৬, ৪/৬শুবসু-স্বভাবোক্তি-অলঙ্কারনি।

৫। ব্যতিরেক :— উপমানদগী উপমেয়না হেন্না কনা অমদি রাৎনা হায়বদা ব্যতিরেক অলঙ্কার ওই। মতম অয়াম্বদা অরাৎ-অহেন্গী মরম্ উৎপসু য়াওই, অদুগা অয়াম্বদা

উত্তমস্থ লৈ। মসি মখল অনি থোকই। হেন্‌গৎপনা উৎকর্ষাত্মক অতুগা হ্রাৎলগনা অপকর্ষাত্মক ব্যতিরেক কৌনৈ। মহুদি :—অহাম অঙ্ক শ্লোক ১৩ (ক)—

'চক্রবাক্বা মহাক্বুম্ (বাসবদত্তা) হ্বাদে'—

উপমেয়	উপমান
বাসবদত্তা	চক্রবাক্

মসিদা উপমেয়না হেন্না হায়রে অতুগা উৎকর্ষাত্মক ব্যতিরেকনি।

৬। **বিষম অলঙ্কার** :—মান্নদব পোৎ চমৎকার ওইনা বর্ণন তৌববু বিষম অলঙ্কার কৌই। কার্য্য (effect) অমসুং কারণ (cause) অনিদা থেন্নব লৈরবা, অমদি অহৌব থবক অমা মহৈ য়াব্দবা নত্রগা undesired পোৎ অমা ফংবা (হায়বদি কারণদগী ফংকম থোকপ মহৈ অতুগী মহুত্তা পাম্‌দব, থল্লুদবা মহৈ অমা থোরকপ) নত্রগা, বিরুদ্ধ পোৎ অমা থোরকপা (মফম্ অমত্তদা অসম্ভব ঘটনা অনি তিন্নরা থোক্‌পদু বিরুদ্ধ পোৎ থোক্‌পা কৌনৈ) মসি ওইরবদি বিষয় অলঙ্কার কৌই। পূন্নমক অসিদা বি-ষম = মান্নদব পোৎকী বর্ণনা তৌই। মহুদি :—৪শুব অঙ্কগী ১ম শ্লোক—

"থাবিন্নরে····· ঐঙোন্দা"—অসিনা পদ্মাবতীদা প্রেম্ লৈবা তাক্লে। "তেম্নতাত······তরুকৃত্তবনা"—অমদনা তেম্মুত্তানা—

পুরূপ থাবা— হায়বদি বাসবদত্তাবু পুংশিবনা, অতৈদনা তরুক্তুব-তেন্ অমত্তনা থাবা— হায়বদি পদ্মাবতীবু পুংশিবদনী হেৎ ৰমি ওইরে (implied)। মফম অমত্তদা অসম্ভব ঘটনা অনি তিয়না থোক্লরে; অতুনা বিষম অলঙ্কারনি।

৭। উৎপ্রেক্ষা :—হায়বদি সংশয়। উপমেয়বু য়াম্না মান্নবদগী উপমাননি হায়না চিংনবা মতমদা উৎপ্রেক্ষা ওই। অমরোমদা হায়রবা—উপমান পোত্তা উপমেয় ওইব-য়ায় হায়না লৌবদা উৎপ্রেক্ষা ওই। মসিদা সংশয় ভাব রৈগনি অমুগা সংশয় অমিদা উপমানদা-হেন্না কনগনি। মহুদি :—৪শুব অমুগী ২শুব।

শ্লোক :—মসিদা স্বভাবোক্তিদা উপমা অমসুং উৎপ্রেক্ষা য়াওই। উপমেয়—উরোক ময়াম্ পাইরিবদু উপমান অতিয়া অনিথোক্লা থায়ন ওইরমাক্ল হায়না চিংনরে; অতুনা উৎপ্রেক্ষানি। মসিদা উপমা অলঙ্কার :—

(ক) উপমেয় — উপমান

উরোক পরেং — সপ্তর্ষিমণ্ডল

(খ) অতিয়া — লীন্ মলুক্

স্বভাবোক্তি + উপমা — অঙ্কর অতুগা উৎপ্রেক্ষাগা সংসৃষ্টি ওইরে।

৮। বিশেষোক্তি :—কারণ (cause) রৈরগা কার্য (effect) দি করিসু থোক্লর মতাংদা বিশেষোক্তি। অওইবদি, কাব্যদা

নিংথিজবা অমদি চমৎকারিত্ব শেম্বরবগীদমক্তা অসিগুম্ব থবক থোকপা মতমদা বিশেষোক্তি ওই। বিভাবনাগা চপ্‌চানা ওন্নতৈনবনি। খুদম—৪শুব অঙ্কগী ৪ শ্লোক—মসিদা 'লম্‌চৎ বেভার-শক্‌-রাশী' কারণদি লৈরে অদুগা মসিগী ফলদি (effect) লৈতরে। অদুনা বিশেষোক্তিনি। অদুগা ৫/১ শ্লোকশু বিশেষোক্তিনি।

৯। ব্যাজোক্তি ঃ—অবোধ বিষয় অমা থগুনরবশু ওইদব অমা হায়জিন্দুনা মদু লোৎপা মতাংদা ব্যাজোক্তি অলঙ্কার ওই। মদুদি ঃ—৪শুব অঙ্কগী ৭শুব শ্লোক—অসিদা রাজানা বাসবদত্তাগীদমক্‌ শুগাইতদুনা মমিত্তা মপি তাবদু পদ্মা-বতীদা ওইদব অমা— 'শুংশিৎনা হুমদুনা কাশ লৈরিক চঙ্‌বনা পি তাবনি' হায়দুনা অরোম্ব রা অদু লোৎলে। অদুনা ব্যাজোক্তিনি। শ্লোক অসিদা কাব্যলিঙ্গশু য়াওরি। কাশ লৈবিক্কা পি তাবগী মরম ওইনা লৌরে।

১০। অপ্রস্তুতপ্রশংসা ঃ—হায়রোইদব বিষয় হায়দুনা হায়গদব আসল বিষয় তাক্‌পবু অপ্রস্তুত প্রশংসা অলঙ্কার কৌই। থাজ্জেশেংনা হায়গদবা নত্তব বিষয় অদুবু (উপমান) অপ্রস্তুত কৌই, থাজ্জেশেংনা হায়গদবনা (উপমেয়) প্রস্তুত কৌই। হায়রোইদব হায়দুনা হায়গদব তাক্‌পবু অপ্রস্তুত প্রশংসা কৌই। মদুদি ঃ— ৪শুব অঙ্কগী ৯শুব শ্লোক। — মসিদা — " মীদি সংসারসাদা হোঙ্‌বনি " উপমান হায়রোইদবসি হায়বনা উপমেয় মগধরাজ অমসুং উদয়নবু ভাবনা থগুহল্লে।

অদুনা অপ্রস্তুত প্রশংসা অলঙ্কারনি। মসিদা তুল্যযোগিতা অলঙ্কারসু য়াওই। শ্লোক ৬।৭ সুনি।

১১। **তুল্যযোগিতাঃ**—প্রস্তুত (উপমেয়) অমদি অপ্রস্তুত (উপমান) পোৎপু গুণ নত্রগা ক্রিয়া অমত্তনা তিন্নহল্লবদি তুল্যযোগিতা অলঙ্কার ওই। গুণ নত্রগা ক্রিয়াগা লোইননা মান্নবগা তিন্নবদা তুল্যযোগিতা ওই। মহুদি :—মথক্কী খুদম অসিদা 'মীধু সম্মান তৌব' অমসুং 'মতিক মগুণ চেম্ব'—সাধারণ ওইব গুণ অসিধু 'হোঙ্‌বমি' হায়ব ক্রিয়া অমত্তা অসিনা মরি লৈনহল্লে; অদুনা তুল্যযোগিতা ওইরে। খুদম অমগা :—

নোং মুই, অহিং মুই, মুই অমম্ব লৈপাক।
'হুদগী হেন্না মুই, তোম্বি, নকোক্কী শম্না।

মসিদা— 'মুবা' হায়ব গুণ অসিনা নোং, অহিং, লৈপাক অমসুং শম্—মরি অসিবু মরী লৈনহল্লে।

১২। **বিভাবনা :**— কারণ (cause) য়াওদনা কার্য (effect) থোক্পবু বিভাবনা কৌই। হায়বদি মরম য়াওদনা থবক ওইরবদি বিভাবনা অলঙ্কার ওই। মরম লৈতনা থবক থোক্পা হৌনদে। অদুনদি— 'মরম' হায়বদি খ্বাইনা থওনবা মরমনি; মসিদগীদি থবক থোক্তনা অতৈ কল্পিত (supposed)' কারণগী মতেংনা থবক পাংথোক্নৈ; কল্পিত কারণ অদু কাব্যদা য়াওরগা উক্তনিমিত্ত বিভাবনা অদুগা য়াওদ্রগা অনুক্তনিমিত্ত বিভাবনা ওই। মহুদি—

'নোং মংদনা বজ্র তারে'—মসিদা 'নোং মংব' হায়বা বজ্র তাবগী প্রসিদ্ধ কারণ লৈতনস্থ অতে কারণ অমদি লৈ হায়বা উংলে। কারণ অহুদি হায়দে। অহুনা মসি অশু-ক্তনিমিত্ত বিভাবনা নি। অহুগা ৫শুব অঙ্কগী ১নবা শ্লোক্তা— 'অবন্তিরাজকুমারীবু নিংশিংলক্লে'—মসিদা 'নিং-শিংবা' অসি কারণ য়াওদনা ওইরক্লে, অহুনা 'বিভাবনা' ওইরে। অহুগা 'মশা চাক্‌খ্রে'—হায়ব কারণ অসি লৈনা নিংশিংলোইদবা effect অহুদি লৈতে। অহুনা বিশেষোক্তি নি। মসিদা উপমাস্থ য়াওরি :— উপমেয় উপমান অবন্তিরাজকুমারী থম্বাল।

১৩। **অপহ্নুতি**—উপমেয় লোৎলগা উপমান প্রকাশ তৌববু অপহ্নুতি অলঙ্কার কৌই। মহুদি :—৫ শুব অঙ্কগী ৩শুব শ্লোক--'লৈপরেং থোঙদা য়াল্লম্বা'·· লীন্নি লোরে···মুশিংনা থারো মালো ওলহবদা···।' মসিদা লৈপরেংবু (উপমেয়) লোৎলগা লীনবু (উপমান) প্রকাশ তৌহল্লে। অহুনা অপহ্নুতি নি। অহুগা

১৪। **ভ্রান্তিমান্**—মান্নমবদগী পোৎ অমবু পোৎ অমা ওইনা লৌই—ভ্রম অসি মহৌশা (সাধারণ) ওইদনা কবি কল্পনাদা চমৎকার ওইরবদি ভ্রান্তিমান্ অলঙ্কার ওই। মসিদা উপমেয়বু উপমান্নি হায়না ভুল তৌই। মহুদি= মথক্কী খুদম অসিদা লৈপরেংবু (উপমেয়)—মান্নমবদগী

(উপমান) ওইনা ভুল তৌরে। অদুনা ভ্রান্তিমান অলঙ্কারনি।

১৫। **অনুমান**—অতৈ অলঙ্কার অমগা তিন্নবদগী চমৎকার ওইনা কারণদগী কার্য্যজ্ঞান ওইরবদি অনুমান অলঙ্কার ওই। মতুদি :—৫ শুব অঙ্কগী ৪ শুব শ্লোক।

"কমুংসু কূথদে মারথকি কুশিঙ্গে'
...................থাদোক্লিংদে হেক্ মথক্তা।"

মসিদা স্বভাবোক্তি অলঙ্কারগা তিন্নরা কমুং কুথদব-নচিংব কারণদগী মী হিপ্নমৃদে হায়বসি খঙলে। অদুনা 'অনুমান' অলঙ্কারনি।

১৬। **পর্য্যায়**—পোৎ অমত্তনা (ক) মতম অমত্তদা অমদগী হেন্ব আধারদা (লৈফমদা) লৈবা, (খ) তোঙান তোঙাম্ব মতমদা অয়াম্ব আধারদা মথং মথং লৈবা অতুগা (গ) তোঙান তোঙম্ব পোৎ তোঙান তোঙাম্ব মতমদা আধার —অমত্তদা লৈরবদি পর্য্যায় অলঙ্কার ওই। মতুদি :— ৬ শুব অঙ্কগী ৮ শুব শ্লোক—'নূমতুনা ফারকপা মমোম্মু ......মচা শিখ্রে তানা-খঙনা' মসিদা মচা নূপী অহাম্বদা মপাম্‌দা, অহুদগী ঐগীদা, মমৈদা ল্যাইরৈবাক্তা—পোৎ অমত্তনা মতম অমসুং মফম তোঙান-তোঙাম্বদা লৈরে। অদুনা পর্য্যায় অলঙ্কারনি।

১৭। **দৃষ্টান্ত**—ধর্ম্ম মান্নব পোৎ অনি অমগামগা মায়ৈ হায়না বর্ণনা তৌববু দৃষ্টান্ত অলঙ্কার কৌই। —মসিদা সাধারণ

শুণগী ভাষা তোঙানৃগনি, অদুগা সাধরণ ধর্ম্মদু খন্নরগা খোরক্কনি। 'মদুদি'-নচিংবা ৱাহৈ য়াওৱোই। উপমেয় অমসুং উপমান অনিমক থংনব বাক্য অনিদা তোঙাম্না লৈগনি—অদুগা অনি অদু মায়ৱ উৎনবগীদমক তুলনা খঙনব ৱাহৈ য়াওৱোই। সাধারণ ধর্ম্ম অর্থ অমত্তা ওইৱোই, অমসুং তোঙান তোঙাব ওইবনা তোঙান তোঙাব ভাষাদা হায়গনি। —দৃষ্টান্তগী সারাংশ :—

উপমেয়	উপমান	সাধরণ ধর্ম্ম	বাচকশব্দ
বাক্য অমদা	থংনব বাক্য অনৈদা	ভাষা অমসুং অর্থ তোঙাব, অদুগা খন্নরগা খোরকপা	য়াওদব

৬শুব অঙ্কগী ১০শুব শ্লোক :—

'কনাবু কৰ ঙম্বগে মৃত্যুকালদা কনানা?
থৌরী তৎলগা ঙম্বগে চফু ফাবা কনানা?'

মসিদা

উপমেয়	উপমান	সাধারণধর্ম্ম	বাচক শব্দ
অহাৱ বাক্যদা	অনিশুবদা	শিবা কনবা	য়াওদে
কনাবু (মী)	চফু	উপমেয়গী ভাদনবা ফাবা উপমানগী খন্নরগা শোয়দনা মাঙিঙ, খঙনৈ। ভাষা অমসুং অর্থ তোপ্লে।	

অদুনা মসি 'দৃষ্টান্ত' অলঙ্কারনি।

১৮। **Apostrophe** :—It is a figure of speech where a writer or speaker turns away from the main subject and makes a sudden, short and impassionate address to a person absent or dead, or to an inanimate object or an abstract idea. মছুদি :—

(ঙ) "নংবুদি ফংলেদো, ঘোষবতি! উবা ফংত্রেদো মাবুদি।"

শব্দ থরগী অর্থ, allusion মচিংবা—

অগ্নিসাক্ষী—বরনা মৈগী মমাঙদা কন্যাবু থক্ থাদোক্লোই হায়না ব্রাশকপা হায়বদি লুহোংবা।

অবিধবাকরণ—লুখ্রাথিংবী হায়বনি, শব্দগী সাধারণ অর্থদি, অছুবু মনামশিং (ওবধি) অমগী মমিং হায়বনি, proper noun ওইরে; অছুনা শব্দ অসিমক্ শিজিন্নবনি।

অসন—লৈ অঙাংব অমগী মমিং, বন্ধুক, সজকশু কৌনৈ।

অস্তাচল—সুমিং তাব চীং। আবন্তিকা—অবন্তি দেশগী নূপী।

উত্তরকুরু— কনাগুম্বনা অরাংথংব সাইবেরিয়ানি হায়। মসি লাইশিঙ্গী লৈফমনি অছুগা চির শান্তিগী লম্মি হায়নৈ। মরমদি হিমালয়গী অরাং থংব লমশিংশু য়াওরম্মী। মহাভারতকী মতমদা তিব্বত অমসুং নোংপোক তুর্কীস্তানগী শরুক্ থরসু উত্তরকুরুগী মখুংচম্মী।

উৎসাহ = পুক্লিং হুন্দনা হোৎনবা, ঋষিকুমার = ঋষিগী নিয়ম অদ্রব নিপামচা, কাশ = লৈ জাৎ অমা, (মপান ঙৌনা শাৎপা) কৃচ্ছ্র = কুশ, তিংখৌ, পিশুম অনিগী মরক্। কচ্ছুক = তার পুন্নবা উনা শাহনা বীণাগী মনিংদা নপ্প অহু। কুমারী = চহি মঙাগী নূপীমচা, কৈন্যা। ঘোষবতী = রাজা উদয়নগী মিত্রঙ্গী বীণানি (magic lute) উদয়ন্না সবরশিঙ্গী মখুত্তগী বসুনেমিবু কনখি। বসুনেমি বাসুকীগী মনাওনি। মহাক্না বীণা অসিনা শামু তেহনবা ওন্মী। উদয়ন্না বীণা অসি মঙোন্দগী ফঙ্খি। বাসবদত্তা বীণা অসি খোংবদা য়াম্না হৈ-শিংলম্মী। (কথা সরিৎসাগর)। চতুরঙ্গসেনা = শামু,-শগোল,-দোলাই তোংব লাম্মী অহুগা খোঙ্মী—মরি অসিগী লাম্মীবু চতুরঙ্গসেনা কৌই। চিত্র-বোট = চিত্রপটগী অপভ্রংশনি, লাইয়েকঙ্কম্ পাং, অয়েকপা লাই (চিত্র)। জ্যোতিষী = পাঞ্জী, দক্ষিণ = মতুময়াম্বু চপমান্নবা পুংশিব নিপা (সাঃ দর্পণ) পুকচেল্ চাউবা, পুকচেল্ তিংব (অমরকোষ) দারু পর্ব্বতক = উনা শাবা চীং অমগী মমিং)।

দেবী = অভিষেক তৌরবী রাণীগী নাম। (অমরকোষ); দণ্ড (বীণা) = বীণা চৈখোক্। সুমিংঙ্কী লোয়নব অহুমগী অমা (মাঠর, পিঙ্গল, দণ্ড); শাস্তি (punishment)। রাজনীতি মখল্ অমা, (সাম, দান, ভেদ, দণ্ড)। তেঙ্গোল বেহ শেম্বগী মখল অমা। চৈ, চৈশু। ধাত্রী — মপী ; ধন্যা—লাইবক ফবী, পতিব্রতা = মপুরোইব নিংবী, সতী, পর্ব্বততিলক = নুঙ্গী কক্ষম অমগী মমিং। প্রবাল = অঙাংব

পোহাল ; প্রিয়ঙ্গু = লৈ অমগী মমিং ; বন্ধুক = লৈ অঙাংব জাং অমা, অসন। বাগ্‌দান্ = ব্রা লোইরব্‌গুনা ‘ইচা নুপী পীবে হায়দুনা দান তৌবা। বৈদেহী = বিদেহদেশদা লৈবী ; বিজয় = জয়, লানুভন্বা ; বিবাহজয়মালা = লুহোংবগী লৈ পরেং ; বিশ্রাম = পোথাবা ; ভদ্রে = খঙ্নদব, চহি নহা ওইরিবীদা সম্মান তৌনা কৌনব মীঙ্গো। ভাগ্য = লাইবক্তা তশ্ব, Fortune ; ভার্য্যা = লুহোংবুনা লৌব নুপী ; ভোগ = ইন্দ্রিয়না বিষয় চাবা হায়বদি মিংনা কর্জব অথীব নচিংবা য়েংব, নাকোংনা মখোঙ্তাবা-নচিংব অসিবু ভোগ (enjoyment) কৌই। মধু = য়ু, খোইহী, বসন্ত ; মহাব্রাহ্মণ = অচৌব ব্রাহ্মণ। মসিদা খজিক্তং করেপ্পনা শিজিন্নে। মহিষী = অভিষেক তৌরবী রাণী, দেবী (অমর) মৃত্যুকাল = শিবমদাই ; যক্ষিণী = যক্ষ। লাইজাত অমগী মমিংনি। মখোয়গী নুপী। রতিপতি = কামদেব। রাজ-লক্ষ্মী = নিংথোগী লাইরেম্বী, লৈপাক পুবী লাইরেম্বী ; লতামণ্ডপ = উরী-শ্বারীগী কুঞ্জ ; শেফালিকা = শিঙ্গারৈ ; সতীত্ব = সতী ওইব মতৌ, (chasity) সপত্নীমর্দন = সাধারণ অর্থদি লোন্নবী লৈব হায়বনি ; হিদাক অমগী মমিং-নিনা Proper noun নি। স্বজন = মমা-মপা, মচিন্-মৌপা, মতোন্-মন্দোল্-নচিংব' মথৈবু স্বজন কৌই। সপ্তর্ষিমণ্ডল = ঋষি তরেৎ পুম্না লৈব = The Great Bear or the constellation of the Ursa Major. ঋষি

৭ = মরীচি, অঙ্গিরস, অত্রি, পুলস্ত্য, পুলহ, ক্রতু, বসিষ্ট।
সখা = চান্নব মরূপ্। (কৃষ্ণগা অর্জ্জুনা 'সখা' কৌনৈ)।
সমুদ্রগৃহক—ঈশিং ময়ায়দা শাব-কানেন্-থুম্ (Apte)
ঈশিং লৈবা নক্সগা সমুদ্রগী ময়াদা শাব অচৌংব প্রমোদ-গৃহ
(pleasure house)। মসি palace দগী থরা লাগা
লৈনৈ। প্রতিমানাবর্ত্তা অমদি কালিদাসগী মালবিকাগ্নি-
মিত্রদা হায়। সূর্য্যামুখ— মুন্সিংকা মায়রোক্নব হায়বদি
নোংপোক ওব য়ুম্গী মমিং অমদি বিবাহগী লাইরেম্বী
'সূর্য্যা' গী মূর্ত্তি থব য়ুম্। পণ্ডিত গণপতি শাস্ত্রীনা
হায়—সূর্য্যাগী অর্থ লুহোংব নৌরিবী, অনৌবী হায়বদি
পদ্মাবতী। অনৌবী পদ্মাবতীগী শঙ্গাইগী মমাং থংব কা।
ভাগবত ১০ স্কন্ধ অহাব অধ্যায় শ্লোক ২৯ শ্রীধরগী টীকা।
সমাচার = ঈ-পাউ ; সম্বন্ধি = চান্নৌ-মৌরোনবদগী লৈনব
ময়ী। ভারতবংশদা পোকপা— শকুন্তলানা পোকপা
দুষ্মন্ত রাজাগী মচা ভরতকী মচা-মতবু ভারত কৌই।
মখোয়গী বংশদা পোকপা। উদয়ন অর্জ্জুনগী মচা অভি-
মন্যুদগী থিথরক্পদা ২৫ শুবনি। (বিষ্ণুপুরাণ অঃ ৪/২১)।
অর্জ্জুন-অভিমন্যু-জন্মেজয়-শতানিক (১) — অশ্বমেধদত্ত···
শতানীক (২)······—উদয়ন।

শুদ্ধাশুদ্ধি পত্র

পৃষ্ঠা	পংক্তি	অশুদ্ধ	শুদ্ধ
৩	৩	[illegible]	[illegible]
৪	২১	[illegible]	[illegible]
৪	২২	[illegible]	[illegible]
১২	২৩	[illegible]	[illegible]
১৭	২	[illegible]	[illegible]
২৫	২৩	[illegible]	[illegible]
২৩	২	[illegible]	[illegible]
২৭	১৪	[illegible]	[illegible]
[illegible]	১৪	[illegible]	[illegible]
[illegible]	২২	[illegible]	[illegible]